মতম্মগী খোঙলৈ তাক্পা

(পূয়া খরা)

ইথোকচবা :—

নিংঙোম্বা মণিজাও

মতমগী খোঙলৈ তাকপা

অইবা :—

নিংঙোম্বা মনিজাও

থোকলোকচবা :—

মুনাম্মচা অচৌ, থাইগোম লৈকাই, ইম্ফাল (মণিপুর)

তাং ৩। ২। ৭০ ইং

মমল মুপা ৩৲

কংকম থোকপা হকশিং অকোণবগী নি।

অহানবা থুংনবশিংশোর ১৯৭৩ কেজেঙ্গ্রা

লাইরিক মশীং ১০০০

নম্ফম— ডি মণিপুর গীতা প্রেস, শিংজমৈ বাজার ইম্ফাল।

য়াহৌদোক

"মতমগী খোঙচৈ তাকপা" হায়না মমিং থোনবা লাইরিক অসি লৈবাক অসিদা মখল মখা কয়ামুক, পোক্ল, ওইরগদবশিংগী মরমদা ইরম্বা লাইরিক অমনি। লাইরিক অসি মৈতৈ নিংথৌ চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজগী সনা হাক্তক্তগী হৌনা, মথকলোমদা মৈদিঙঙু খাগেম্বগী মতম কাওবগী মনুংদা মথং মথং ওইনা লৈবিরম্বা পণ্ডিতশিংনা, তুংদা লাকদবা মাঙদা হৌগ্রবশিং অমদি হৌজিক হৌজিক ওইরিবা, ওইরকদবা কয়ামুকপু তশেং-তশেংনা খঙ-হৈ উরবা মৈতৈ পণ্ডিত কয়ানা লাইরিক অসি ইবিরম্বনি। অসিগুম্বা লাইগী মপোককুমলবা অহলশিংবু সুংশিজবা, অমদি হৌজিকী সমাজ অসিদা থোকরক-ওইররিবশিং অসিগা চানররকপদগী মতুংদসু চুমলকত্রা হায়না নিঙজহুনা লাইরিক অসিবু ফোঙজবনি। করিগুম্বদা লাইরিক অসি পাবিবদা য়াহৈ শৈরেং চুমদবা থকশি-খাশি কায়বা কয়া য়াওরবসু। ঈপা-ঈপল, ইয়াম্বা, ঈপি, ঈচে, ঈচন, মরূপ-মপাং পুন্নমক্না তাকপীগনি হায়না অয়াম্বগী মফমদা থুক্রমজরি। অমসুং মতুংদসু ময়ামগী থৌজাল্ল পীনবীরবদি মতুংগী অশাসু লৈজরি।

মাওক্রম তাকপা

মতমগী খোঙচৈ তাকপা

লাংব-চক্কী কুমশীং ৪৮৯৮, নোংদা লাইরেল পাখংবগী কুমশীং ১৭৯০, চৈথারোল ৩১০, চৈথাবা করো খুমবোংবা, চন্দ্রাব্দ ৪৯; শকাব্দঃ ১৭১৯গী লোইরকপা কুম অসিদা নোংদম্বা মরুগী শঙলেন্দা শ্রীশিধান্ত ভাস্পতি ভাস্কর শর্ম্মাগা শ্রীখুম্বোং মণি সিধান্তগা, রত্নকর গৌরশ্যাম শর্ম্মাগা, কমপোং শ্রীমনিরামগা মরীমরূা রা-খমজুনা শঙলেন পুবা "খুম্বোক লৈশেমলোল, মৈহৌরোল, য়েক মচু তরেৎ পুম্বা পুয়া পুকোকলোল" পুয়া ১২ অম্বুপ্লবু পাল্লুনা য়েংল্লুরগা চন্দ্রাব্দঃ ৫০, চৈথারোল ৩১৪ শুবগী কুম্মৈদা নিংথৌরেল ভৈগ্যচন্দ্রগী মকমদা হন্ধৎলি। "ঈনিংথৌ। লৈবাক অসিদা মকম খঙহৌদনা মায়কৈ মরী, শুংদাই মরীবু তূ।। লাল লুম্নহুনা মশীং থীবা, লাকপা ঙমদনা শিনগদৌরি। খোঁদোক অহুগী চহিদি নুংশাংঙি। মতুঙদা তেঙ্গোল অহুম থোক্লুনা লুখায় তানহুনা মপা মচা, শাকৈ-নাকৈ মশক খঙনদা, খকশি-খ্যশি ঐরে'নদনা মহৈ মহৈ চায়নহুনা লৈপাক মাঙ তাকপা তানগদৌরি। মতুঙদা মরু অহুমগী চুকলেল অখোঙ শাহুনা লৈঙম্নরগা থাঙহী ঙাংঙোই খোঙগাবা অমা, নোংপোক খয়াঙ পনশাবনা অমা, ওরাং চাথৈ হম্না লাম্লুম্বা থাঙমৈ মার হম্না খোঙগারকপা অমা, পু অহুম অসীবু চায়বা খোঙ্গেং হানগদৌরি। ওরাং চৌখৈ হনবা, মার হনবা পুনা মনপোৎ হাংলম অমা লেমহুনা পানঙম্বদি পাল্লনি। তমুন লৌরক্ক!

অয়াম্বনা মপা মচা শকখঙনদনা মামহুনা লৈপাক-থক্তা ঈঙনা লৌখোং চেনগদৌরিবা মরম অসীদদি মৈদিঙঙ, নিংথৌরেলনা হায়ক্তুনা লম্বী অমতং শেম্বীহুনা লৈথোল-লৈঙাকুবিরমবদি লৈপাক অসীবু মতুঙদা মতীক-মঙাল শামদনা চৌখিবা মরুশিংগী মঙালবু শামহন্দনা লৈঙাক লৈপুজবা য়া-ঙমহোৌগদ্রা খনজে, অদুবু সনা নোংদম মঙাইরে। মতম অদুদদি লৈপাক অসী লৈকমবা লৈংরে। মৈদীঙঙ্ ভৈগ্যচন্দ্র নিংথৌনা রা অসী তাবদা সনা পুরীঙবু অয়াবা থৌরম ওইখিহুনা মরম অসী করি অপকমা (দোষ) লৈখিবদগী থৌথোক অহুবু কংগদৌরিবনো হায়না হংখি।

শিধান্ত ভাস্পতি ভাস্করনা হংগৎলি :— "লৈবাক অসীনা থৌদোক মৈশা অসী কংবদা য়াওগদৌরিবা অসীদি রাজেশ্বর মবুধৌ লাইয়িংথৌ সনা মহিনা লৈপাকী অবা লৈকনগে হায়না সনাগী গচু মান্না শজী ওইনা মোংবা কংলা রাথোক লৈঙাকপুঙদা য়াথোক্তুনা রাকায় পুঙলোমদা য়েংহুনা লৈরিবৈদা নবুধৌ মৈতৈ পিবা চরাইলোংবনা তারা লুক হাবা লোইদুমা মপাল-লাংদা চীন শেংগে থোরকপদা নবুধৌবু হেক উই। অদদা নবুধৌনা শজীবু অচম্বা শজী ওইনা রাখনখিহুনা মখুৎশু লীরাঙ ফুনাব

---

* * * মথক্তা য়াওরিবা লাইরিক অসিগুম মতাঙদি অমত্রা ওইরগা রাহৈ-রাতা খরা অশু-শুদ মান্নদবা লাইরিক অমদমু অশুম্মা য়াওরম্বত্র থেংনৈ। মহুদিঃ— কলিগী—(লাংবচকী কুমশীং) শোক ৪৮৯৯ ॥ পাখংবগী শোক ১৭৯১ ॥ খৃষ্টাব্দঃ ১৭৯৮ ॥

ত্তেলহৈবনা স্নুরম্ববু লুখুম কাদগী থুনা য়াঙনা লৌথোকলূদ্রনা রায়রা তেন শীংদ্রনা থোরক্লে। নবুধৌনা তেন শীংহুনা ল্যাকপা ঊবদা নবুধৌশু কোয়না কংলা মপুঙদা কোয়চেল চেনন্দুনা খাঙডিঁ। মহুদা নবুধৌ চরাইলোংবস্থ অরম থোকউ হায়বদগী সনাগী মচু মানবা শজিবু কোইত্তান তাম্রদুনা তেনগী মচীন্দা হূ পুবা বিষ্যবু হাপ্তুনা কাপথিবদা নবুধৌনা শাওলবা শজীদা পান্দুনা কংলা

শকাব্দ ১৭২০, চন্দ্রাব্দঃ চৈথারোল ৩১৪ ॥ লাইরিক য়েংবা অরোইগী কুম অসীদা শ্রীভাস পণ্ডিত শর্ম্মা, রত্না বক্কর গৌরশ্যাম শর্ম্মা থুম্বোং চন্দ্র শিদ্ধান্তা, মনিরাম মরীমক্লা শ্রীজয় সিংহ কর্ত্তা মহারাজগী মফমদা হায়রৈ। হে মহারাজ! চহি ২০০গী মপুঙদা লৈপাক অসী ফুরূপ অহূম থোক্লা গুরুগী মখোঙ অহূম শানা লেপ্তুনা মপা মচা খণ্ডনদনা য়াম্রহুনা শিনবা তারি। থাঙহি ঙাংঙোইগী পু অমা। নোংপোক থম্লাঙ পনশাবা পু অমা। ঔরাং লাল্লুম্বা থাংমৈ মার হনবা খোঙগাবা পু অমা। পু অহূম অসী য়াম্রবা তারে। ঔরাং লাল্লুম্বা মার হনবগী পুনা পোলোই অমা শেমদ্রুমা অনৌবা যাত্রা হুন্দুনা পানবদি পানদৌরি। মঙ্ মখোঙ থিদ্রনা অসীদা মপা মচা শকখণ্ডনদনা হাৎনদ্রনা লৈপাক অসীদা ঈ তাবা মরম অসীনদি, মহারাজনা লৈরিঙৈ মতম অসীদা কোক্লনবা লক্ষ্মী অমতং শেস্বীরমন্ত্রবদি ফুংদা য়াম্না রারগনি। মরম অসী ফনবা শীনবীরম্লবদি লৈপাকী অরাবা কোকচৌগত্রা নীঙজৈরে। রা অসী তাবদা কর্ত্তা মহারাজনা পুরীৎ অরাবগা

মমুঙদগী চেনখোকপিদুনা হুংকেং অসীগী মনাক্তা তুরে। নবুধৌ পিবানা শজীদা তেম্না পান্দূনা শজী তুরে হায়দুনা শজী লোৗগে চঙখিবদা—"নপা নপুবু মশক খঙদবা নঙদি মতম অমদা নপা নচা

লোয়নন' হংই, "পণ্ডিত অহুম, ব্রাহ্মণ রতন অয়াম্বা মরম অসি থোক্কদৌরিবা অসীবু লৈপাক অসী মরম করি লৈখিবননো ?

সনা য়াথং তাবদা, ভাস পণ্ডিতনা হায়—"মচুগী মরমদি ঈমিংথৌ। নবুধৌ খাগেম্বনা তুরেল লুকায় থৈবদ। মচুগী পন থিংবদা গর্ভাপতি ওইবী অমুনহা অমা পন-থিংবদা য়াওখিবা মরম অচুগী পু অমা ॥০॥ অচুগা নবুধৌ ঈবুঙেঙা চরাইলোংবনা নিংথো ওকতনা লৈপাক তাকখিব মতম অচুদি য়াম্না অতাং ওইনা লৈপাক তাকখি। নবুধৌনা য়াম্না নোনা লৈপাক তাকচবা অচুবু য়েংবদ নবুধৌ সনা মহিনা মহাক থক্তগী মথঙলেংনা শমথহন্দূনা নিংথৌ ওইহনগে, মশুগী য়েক্র-তিংথং লৈতনবা সেম্বীগে, কমদৌনা পানজরিবনো ? থৌজাল লল কুবীগে" হায়দুনা মুমিৎ য়ুংবা মতমদা কংলা শংগুরৈ মখোঙদগী সনাগী শজী ওইদুনা কংলাদা য়াথোক্তুনা কোয়না চতূনা য়েংএ। মতম অতুদা নবুধৌ চরাইলোংবসু তাম্না লুকোয় হাবদগী লোইদুনা মপাল্লাংদা থোরক-পদা উরে। চুম্নগী শজী ওইরবোই নীঙদুনা শঙগায় মমুখদা লেঙশিল্লক্লনা লীরুঙ তেল পায়রগা থোকখিদুনা শজীবু কোয়তান তাম্বদুনা তেম্না থারে। নবুধৌ সনা মহীনা তেনগী চৈনা খাঙদুনা মুঙজেং পূথ্রি মুংকোয় অনীগী মরক্তা ঙহাক তাইদুনা লৈয়ম্লগা,

মপক খঙনদনা হাৎনদুনা নঙগী শাপৈ অসৌদগী ভুম্বা মাঙনবা ওইরকউ" হায়না মীচৈ পীরম্লগা মকম অদূদা অদুম থাওখি। পাউভাক অসী নোংদম্বা মরু লৌরেম্বনা নবুখোদা পাউভাক্তুনা পুম্না খোচৈ ভাখিবনিদো ॥ মতুঙদা নবুখো গরিবনিৱাজগী সনা

চম্নাইলোংবনা চঙশিল্লক্তুনা শঙ্গী মনাক যৌবদা অদুম মাঙখোক-খরে। মরম অসিদগী পু অমা।।০।।

নবুখো গরিবনিৱাজগী সনা হাক্তক্তা পুম্না মৱাম খোম-তুনা শান্তিদাসকা লোয়নতুনা পুম্না মৈ থারুবগী পুম্না মতিক মৱায়গী পু অমা। পু অহুম অসীনা থুং লিংতুনা মামগ-দোরি ঊনিংথো। মপা-মচা, মম্বাম্বা, মচিল-মনাউ খঙনদবদগী হৌরক্লগনি, হাকনা মকুঞ্জরবোই। চহি অনী অহুমগী মতুঙদগী মহৌরক্লগনি।

বা অসী ভা বদা কর্ত্তা মহারাজনা পুক্নীঙ অমাবগা লোয়-ননা শ্রীগোবিন্দবু ভক্তি তৌদুনা মুমিং খুদিংগী মরম অসীদদি তাকপিয়ু। হায়না খুরুমতুনা চাগনি-থকনি থঙদনা লৈরকপা অসী মুমিং ৭নি শুরক্লে। ৭নি শুরকপগী নোংঙাল্লমদাইদা মঙদা লাক্তুনা তাকপি:খ। "হে মহারাজ চাওথংখোম্বা। মঙ অসিনা মীগীদমক রাবীবা অসি রামনপ্রবোইদকো। নঙগী ভক্তি অসিনা ঐ অসি লৈবা, থাওবা তকঙম ঙমত্রে। নঙনা হায়রিবা অদুদি চহি ২০০গী মতুংদা ওইগদবা পু অহুমগী লালনি। মতম অদুদি ঐদি লৈররোই, নঙগী মৱমগীদমক মকম অসিদা ঐনা

হাক্রক্রা মহন্তা শান্তিদাসনা লাইনীংবা নাম শোন্নবা মায়না অসাদি লমচৎ অসুম্না নীংগদবনি হায়বত্থ মখোয়গী লুপতিনগা অমত্তা ওইনবা থৌরাংবা লাকপদা মণিপুরনা লৈশেমৈদগী মথংলেংনা চৎলম লূতিন ওইনা লাইনিং লম্বীদা চৎলম্বা নোংদম্বা মপুগী মশক্তি অরেপ্পা লৈতে মশক পুম্নমকী মমুংদা থোইদোক্ত হেন্দোকপা মতৌক মঙাল চাউবা অদুনা মপু মাগী মশক্তি। পুক্রিঙনা

লৈগদবদি চহি ১০০ দনি। ঐনা ভাকপা মতম অদু লৈতরে। অদুবু নঙনা কন্না মহায়নবনিনা ঐগী মহৌশা হৌকমদা অমুক হন্না পামেল থৈবোঙ ওইনা হৌরগা মতম অদু ভাইহুনা লৈগে। ঐগী ইভৌরুদি মতম অদু ভাকপা ঙম্বা ঈতৌক নত্তে। অদুনা নঙোন্দা ঐনা উহনবদা নঙনস্থ ঐগী ঈশক শাবদা শাত্রিবা মশক মমিং অহৎনা মতম অদুগী ঈচেল অদু থিংবা ঙমগদবনি। মহাক্তি শ্রীনিত্যাইনন্দগী মশক ওইরিবা মহাক্তনা ঙমগদবনি। মহাক্তি মকম থুন্দিঙদা ভক্তিগী মতুঙ ইন্না মপোক লাংহন থাক-ঙমত্তনা মালেমগী অরাম্বশিংবু লানবীত্নুনা বৈষ্ণবত্বগী চাউনবা শীন্দনিবা বৈকুণ্ঠ নাথগী শক্তিতনা ভাকপা ঙমগদবনি হে নিংথৌ মতম অদুদা লানবীনবগী মশক ওইবা মহাকপু ঐনা পামেল থৈবোঙ ওইনা হৌরগা শক্তি অসীবু নির্পণ তৌহুনা নঙগী অন্নাবা অসে ভাক্তনবা থৌরাঙগে ॥০॥

মহারাজ ভেংগোল অহুমদি খোক্তবা মরোইই, শোয়দনা খোক্তদবনি। অতুগা খুহল'র পায়দুনা মপা মচা শকথঙনদনা মাসবা, মালেমদা ঈ তাবা অদুমথৈদি শক্তি অদুনা ভাক্তুনা

অপাম্বা, থাজবনা নোংদম্বা মপুগী অরেপ্পা মশক্কি হায়বা বাখলদা লাইনিং লম্বী চৎলম ওইনা লাইমিং লাই শোন্দুনা অরেপ্পা মশক থমদনা অথোইবা মপু মাগী মশক্কি হায়না পুক্রিঙ শেংনা লাইমিং লাইশোন্দুনা পুক্রম লৈকৎনরম্বা চৎলম্বু থাদোকহন্দুনা লাইনিংগদবা মশক্কি মশক অসীনি হায়না মথোয়না পামজবা মশকপু নোংদম্বা মপুগী মশক্কী হায়না পুক্রিঙগী অরেপ্পা থাজবা ওইনা চৎনবা থৌরাঙবদা লৈপাক অসিদা লৈরবা চৎলম-লুতিন লাইনিং লম্বীগী মশকী অরেপ্পা পুয়াবু মৈদ' কৎনবা থুজীল থৌরাংদুনা মাঙহনখি। মতমদা শণ্ডলেল পুবা পুয়া অদূদদি মৈগী কোম মনুঙদগী নোংটেল অমনা পুখিদুনা পাইখি পুয়াগী মতিক মঙালবু অকী তুজুং লৈতনা মপূক অরাঙ কানীঙবনা শুম্লাংখিদুনা পুয়াবু মাঙহল্লবনা থুদক অদুদা শান্তিদাস মশামক লৈখাতানা মাঙলবদগী মতুঙদা মৈতৈ লৈপাকী মশক মঙালগী চৎলম-লুতিনশিং থঙজবা ওইরকপদগী নোংদম্বা মরু শণ্ডলেল মপু লৌরেম্বা খো'না'থাবনা মৈতৈ কংলৈ পুঙমা ঈয়োলদা থুমথোক লৈশেমদুনা তাইবঙ মীপোক থুমলিংবগী মরম্বু মথং-লেংনা পোয়া ওইনা লীদুনা তাজবা পুয়াবু মৈ থাকগী মশাদা

অমুক হন্না লৈপাক অসিবু সেমগৎতুনা অমীবা লোনম তৌদুনা লৈপাক অসি য়াইক সুংঙাইনা পানগদবা মহাক্না। মরম অসি তাকপীরমগা শ্রীগোবিন্দ মাঙখরে। মতুমদগী চৌঙখংথোম্বা মহারাজ মিকপ থোক্কুনা পুক্নীঙ সুংঙাইকপা লোয়ননা লেঙথৎলক্কুনা নাম শোকখিয়ে॥

অমদি মপূক মচুংদা মৈতম্না শাগিবা, খোঙহাম লায়না কংবা মগানবাম মথক মথা অনী তূনা অতোবা লাইথুংবু কংলত্না মীতীম কম্বা য়াদনা লৈরবা মতাঙ অত্ত কাওবা তাহন্দুনা পুক্নীং অমকপা কত্তবশিং শেংচনবিত্না মরু মচা থেংগ্রানা পুষাবু পোম্না ওইনা লৌখিবা পুম্বশিং পামেল আগর মকুপ্না ইত্তনা মখুবাক্না শিমত্নবা, মতুঙদা নবুধৌ গরিবনিৱাজনা নোংদম শঙলেন্দা পুরুম লৈপায়না থম্বদগী লৈপাক অসিগী চৎলম লুভীন মশক মচু মঙালগী মশক খঙনরিবা লাংঙল লাংলাই থৌরম থোথোকপু য়েংনরিবা অসৌনি। লাইনিং লম্বী মশক খঙলবা বাপূ শান্তিদাসনা পুষাবু ঐগী মীগী রাখল্লবগী লঙজবা মরালনা মাগী ঊনা তাখিবা মকমবু তু লুখায় অহুম থোক্না চায়নগদৌরিবনি।

নবুধৌ গরিবনিৱাজনা মপোৎ মরল মশক খঙদবা মীরায়না পুক্লিঙ হকচাং থুম্নাৎখিত্না মৈতৈ মরুশিংগী মৱাথংবু তারওমত্না পুষা মৈ থাগনি হায়বদা হোয়রাত্না লৌখিবগী লঙজখিবা মরালনা নবুধৌগী ঊনা তাখিবা মকম মথৈবু মপা মচা শকখঙনদবা থকশি খাশি শক য়েংনদনা তু লুখায় তানত্না চায়নগদৌরি। মপা মচা থকশি খাশি শৈরেংদবগী হাক্না মকুইররোই মশা ঔরাঙ কানববু শৈহোৌপদবা হাক্না মুংশাংদরে। তেংগোল অহুমদি মীরোল অনিদগী ঊরনি; চায়নবম্ন হোয়রনি। মখোয় থৈবিক্নী ঊনা মালেম লৈমায় থক্তা ঊনা লৌখোঙ চেনবগুম চেনগদবদি চহি ২০০ (চনি]গী মচুংদা উরগনি। মরম অসিদদি ঊনিংথৌনা লৈকনবীরম্নবদি লৈপাক অসিবু লেমজহৌহনা লৈজরিবা লাইমিংশিংসিবু মশক

মঙাল শামদনা তানকংলবা ওইদুনা অনৌববু অয়ীবনা মৌনমতুনা অয়ীবনা নৌনা খুনথোক খুনশেমজবা ওইগদ্রা নীংঙৈ।

ভৈগ্যচন্দ্র নিংথৌ রা অনি তাবদা সনা পুরীত অরাবা ওইং খিদুনা মীতিন অঙ্গ অঙগ্মক লোইনা ময়ুম ময়ুমদা কুমনখরে। মতুঙ অদুদা সনা পুরীওগী অরাব মরম্ম শ্রীগোবিন্দগী খুন্না-খাদা নীংশিংলগা মন্দীরগী মাঙদা অহৌঙ চুম্না ওয়-খোইনা মীৎম্না ঈরা চেন্না ভক্তি কওুনা লৈরক্লে। নোংঙাল্লবা মতমদা হকচাং চাইথনা লোইরগা চাবা থকপা লৈতনা ওয় থোইনা নাম শোন্দুনা লৈখি। অনুম্না চাবা, তুম্বা তৌদনা লৈরকপা মুমিৎ তরুরী শুক্লিক্লে। অঙম্বা লৈপাক মীয়াম্নচিংবা খায়না রানরক্লে। "করমনো ॥ ইন্দক মৈতিঙঙু নিংথৌরেন্না তৌখিবা, ওইখিবা মতৌ মওঙ অসীবু " হায়দুনা অঙম্বা, মীয়াম মচা ঈবুঙঙো পুম্বা সনা নাক্তা সনা থৌগল ওইনা থাপলপ্না লৈনদুনা রা তাঙ-নদনা লৈমরক্লে।

লাংব-চক্কী কুমশীং ৪৮৯৯, নোংদা লাইরেল পাখঙবগী কুমশীং ১৭৯১, চৈথারোল ৩১৪, চৈথাবা লাইরিক য়েংবম অরোই, চন্দ্রাব্দ ৫০, শকাব্দঃ ১৭২০ গী কুম্মৈ অরোইবা লমতা থাগী নিন্দুং ২৭নি পানবা য়ুমশকৈশগী অহীং য়ুথক মতুং দণ্ড অনি মথায়না হৌত্রবদা শ্রীগোবিন্দগী শ্রীমূর্ত্তিমক ওইনা দর্শন পীদুনা তাকলে। "ভগ্যচন্দ্র নঙদি এনা লৈপাক অসিদা ঐ লৈগদবনি তাইবঙ চহি ১০০ [চাম্মা] দনি। নঙনা হায়রিবা তেংঙোল অহম চায়নবা অদুদি চহি ২০০ চনিগী মনুংদা থোকদবা থৌথোক্নি। মতম অদুদি

ঐগী মতমসু নত্রে। কয়দোশা ঐনা লৈতাকয়গে, বৈষ্ণব নওবা লৈপাকপু লৈকয়বগীদমক্তা প্রেম ঊবা তেঙা মাওবা অমীবা বৈষ্ণব নওগী মীৎলুদগী শিহখিবা ঊয়াবা ঐবু লীপূনখিক্ষবা ঐ থাওবা ওমদক্ষনা লাক্লবনি। নওগী মীৎলুদগী শিহয়কপা পিবাং অক্ষুতনা লৈপাক অসিবু লৈকনবা ওইরসনু। মতম অহুদা লৈতাকদবদি বিজয় নার্থনা লৈতাকপ্রগদবনি, ঐগী মতমদি মৎতয়ে। অক্ষুবু বৈষ্ণব নওগী থৌদাবু ঐনা চীকতোকপা ওমবিদয়ে। তেংগোল অহুম্ৎ শৈহৌনা থোকওমলে থওতমনবা মতম অদূদা লৈতাকপা বিজয় নার্থগী তেংবাংবা ওইনা ঐ অসি মতম অদুনা ঐগী হৌনকমদা পামেন থৈবোও ওইনা হৌরগা থোকওমহনা বিজয় নাথগা লীতিয়হনা মতম অহুগী লৈতাক লৈপুবহু মাওয়গে। ঐনা থোক্লক্লবদি মরুগী চুকলেল অহুম্ৎ মাকৈহনা মায়কৈ মরী তংদাই মরীবু শীয়া মরুগী মথোও থাওম লীতমবা থৌহোবা ওইনা তেংবাংলয়গে। তেংঙোল অহুমদি থোক্তবা মারোই, মহুবু ভাকথোক্লবা অমতা লৈতরে। তৈমুম লৌয়মচা পুম্বনা মপা মচা থওদনা লৈওয়ববু মপা মচা থতনা লৈওয়বা থৌবু থৌশিল লাংবনি। লুপ অহুয়া মখুৎ খুৎলাই পায়হনা মপা-মচা থওদনা য়ায়হনা লৈপাক্তা ঈনা লৌথোং ঊথোং ওইবদি ওইহন্দনবা ঐস্ব মাওনা থোক্তনা লীতিয়ববু লৈতাকলগে। মতম অহুদা ঐ অসীবু শেমওয়বা মশক অহুনা মিংহনবদা "ব, বা, বি, বৈ" অসীনা মিংহন্দুনা ঐবু শেমসমু। মিংলেন অসীনা লীতিয়হনা লৈতাক্লগা অনৌববু অয়ীবনা নৌনমহনা অয়ীবনা

লৌনা কংলা পুঙমায়োলবা লেপ্পুনা [illegible] ওইরমু। থৌগৎলে। তুখায় অহুবদি থোক্কনা থৈবৌদগী [illegible] মথোও মাওকাবা চুকলেদনি।" হায়না নোংমবনগী [illegible] মনুঙদা লেঙশীনখিহনা থোও হেক থিংখি।

মৈদীঙগু কর্তা ভৈগ্যচন্দ্রবু অমাবনা শুংতাইবা ওইরনা মীৎ হেক পাঙই। মীয়াম তিনবা উবদা সনা পূক্নিং বাখল পূবা লাম্বা কংহনা ঊরু-মায়থবননচিংবা লোইরবদা মতোন ঊবুঙেঙা মন্ত্রি অনন্তশাই, ভাস্পতি, খুম্বোং চন্দ্র, গৌরশ্যাম মফি-রাম মঙামকপু কৌশিন্দুনা মঙলাল-চানগী নোংদমবু তমহনা শঙলেলদা চঙহনা পুমাদা থোচৈ তাহনা মঙমবু নীংশিনবা থমহনা থমখি।

ঙমদাই লৈতায় পুয়া শীংথাবা

৫ হরি হয়া হে খোইয়ুম লাইরিংথৌ। লৈশেম খুনশেম লৈঙদগী অশিবা শল্লাই সনা মহি মবাক্কা অতিংঙা য়াইবীরেল শিদবদগী মন্নাথংবু মকোকলেন্দা হাপ্পুনা নমু তাইবঙ পানবসী য়ুমথোঙ খুদিঙ লেঙশিন্দুনা ফমথোল ১০৮ (চাম্মা-নীপাল) গী লকা ১০৮ (চাম্মা নীপাল) শেমহনা তাইবঙ অপকবা পুন্নমকী য়ুমথোঙ খুদীঙদা সনা কম্বাল লাংঙমহনা থৌদা বারেল নোংদম্বী, লাংবন কাওয়েল যণশেনবগুণ পোনশিনবীহনা অপোক

লীহৈ নোংদম্বীরি। লৈপাক চুকথা উমদাইবীদুনা নিংথোংগী য়াইফ নুংঙাই পুন্সি নুংশাংনা পাগবা, থাজ কুমজা থুদাওগী লৈতায় চুকথা লৈফানা পুকম ঈরাৎপিঙমদুনা, লৈপাক থংবা নিংথৌনা ভাংথক ঈপোম হৌনা নুংঙাই য়াইবী মরা তপ্না মতীক মঙাল চাউনা পানঙম্বা, শিল্লম থৌরম অপূম্ববু লকা-নুংদা শীনবীদুনা লাইয়িংথৌ নহারা চকংরীমা অসীদা তাইবঙ্ পুন্নমক্কী য়াইফ নুংঙাই শেম্বীরি। পুকম থৌনি ঈরাঙ্ রাবু সেম্বীদুনা লৈপাকপু ঙমদাহবীরম্বা, তাইবঙ থয়ায় অপকমা পুন্নমকপু মথংলেংনা খঙনবা তাকপিরম্বা য়াথং থোয়া পুন্নমকপু মখোঙ থূয়ারেন্দা হম্না হম্না পুকমজদুনা চীঙঙ্ নঙগী কোলোয় ময়াথংনা নোংদমখিবা থৌনি ঈরাৎ পুরুমলেল লাকয়েল মতম ঙমদাই রাবু রাংলেল মিকুপ, অমতং ক'লৈ থুনদিন য়াথোক পুঙ. প'মেল শংগুরৈ মখোঙদা হায়ঙম লীঙমজদুনা নচা ননাই-শিংনা খঙৈ থৌঙমজহৌনবা ময়াথংবু লীঙম হায়ঙম্বীরে ননাই ওইবা ঐংাক্লা থূয়া খাদা নিজরি হয়া হে।

মায়চৌ অনীনা থুপলমদাইদা মচা-মনাও মঙামকপু কৌদুনা হায়বীখি লৈপাক্কী লাকয়েল ঙমদাই রাবু হায়বীখি। মদুদা থেঙ্গানা হায়খি, য়ারীনদি খঙলরোই লাইরীক ঙঠনা ইদুনা থম্বীরমসি। মতমগী খোঙৈলে হেংদুনা তাকপিরমসি। মদুদা চীঙঙ্ মায়চৌ খোংনাংথাবনা রারী লীরে। থেঙ্গানা থোচৈ পায়দুনা পামেল অগোর উকুদা লাইরিক ইরে। মদুদা য়াওবদি কমেং কদিবা, থুরুথুল চেপীপা, নম্বোল থোঙহিমাইবা, লাংগোল

লুখোই, য়াংঙ্‌পাচি মঙা অসী ভাবি। মহাক্না চীঙঙ্‌ খোংনাং থাবনা হায়খিয়ে। নোংচুপ খোঙ হাংলে, শনি অনী ভাপ্রম চীঙচেংদা থুংলরে। হৌজিক কংলা মৈ হৌরে। নোংপোক খোঙ হাংলে। অদুগী মতুঙদা ফিজেৎ ফিকাই শেৎপগা ওমদাইবর্ত-দুনা লোলদি মনদুনা অমুক শেম্লনি। মদুদা মরেপ ঔনবা, মনা ফনবা কুচু ভাঙবগা ওমদাইদুনা মপুক্না মথানা চেল্লগনি। অয়াং লমগী খৌদু নুঙশাক্না শঙ্গেম্বোং য়াংমা লাম্না লেপ্পনি। মদুদা সনা কোন্নুং শায়নি। ঙানা খৌগল চঙলনি। শখলনা মনা মশীং চায়নি। মদুদগী হৌনা চীঙঙা কৈথেল কায়নি। মদুগী মতুংদা চীঙঙা নুঙবী চকুপ চপায়না মখোঙনা চৎলগা লৈরক খুল্লক্তা য়াতায়নি। য়াংলৌ শোয়োক্তা উজাউ য়াজাউ লৈরয়োই। ঈশিং পন্থুংকম থঙলয়োই। উজাউ লেপ্পা মপুক্না লেপ্পা তুয়গনি। লমজাউদা উঙাম চেল্লগনি। মতম অদুদা মীয়ে-পাক চাক চমাঙ খোঙদায়গনি। হুয়িং কৈথেল কায়গনি। মোইরাং পুঙদা অমু নহা পুককংবী অমা শানা শোক্লগনি। মতম অদুদা সনাগী শেম্পাক্তা লমহুইনা মথী ফায়রনি। অরঙবা সনা মক্লনি। অক্লপ্পনা সনা ওইনা শীজিন্নয়গনি। মতুঙ হাক্ল লৈয়গা য়াথৈ য়াভা খিনা অয়ীবা য়াথৈবু ভাঙনগনি। লাইমিং অরেপ্পা নাইরয়োই। মতম অদুদা লেপ্পা লেপ্পা শিয়গনি। মুপী কাঙথঙ নাইরয়োই। মপু লৈতনা মনাই য়াম্লগনি। মপা লৈতনা মচা য়াম্লগনি। উশক মওঙ থঙলয়োই। অরেপ্পা মপু থঙলয়োই। মতম অদুদা চীঙঙ্‌ মায়চৌ অহুম তিল্লগনি।

নোংজেম্ চাউবী লোকমাতদা থাবল লীরোল থঙ্লম্মি। মতম অহুমাইদা নোংমাই মতোম্দগী মখোঙ ওয়া মমি মরি নাইনা লীংথাররনি খঙও। মতম খোঙথাং অসীদা ঙৈপাক অর্সিনা থুনীদিন য়াকা ওইনা খেল রোইগনি। মতম অহুদা পোলাংখোঙা য়ানবা লাইকিবু পুজবদা মঙাররে। মতম অছুদা জুমাক মখুম নাইররোই। ওমং থুংচা মরোল খোঙরোই। ইচাশা উচি চি চি খঙও মপাল খোশাবা শেঙ্গাই লাকই য়াও। খঙও মপাল নাইদরে। শগোল চেংশি লালজেদসি, কৈথেলদগী উকুনা কু কু খোংলনি। মতম অহুদা শোয়দনা লাকখিগনি। মখোয়সু চেনখিগনি। নোংপোক খোঙদাজবনা নৌংচুপ হায়ম পাংনা অমনা লাক্কুনা অমবু অমনা লেংপচয়গনি। মতম অহুদা অরীবা মন্থ খুন্দুনা মুশি মুশি অমুক থঙনা ওমদাই সনাইরা অমুক ওমদাইও। মতম অহু মপা মপু মীরায়গনি। ধর্ম্ম পাংবী হৌবম্, শোয়দনা সেনবী মুকাকলৈ মরুন থাবদি হৌগনি। লীক্লায় মরুনা থাবদি মহৌদে অসী থঙনা ওমদাইয়ো শোয়দনা মপাল শায়গনি। মহয় মরোং চুম্বু তাউজিং মশাং কাহুনা লেমবা হয়রাও ওইনা কোয়না থিরনি, মীয়াক মীথুমগয়। পুরীও ইন্দা চেনবা য়া হাক্লা খাবা চাউকরোইয়ে। মচু থঙনা ওমদাইয়ো, মঙনা লেঙদবা মরু ওইবা নয়লাদি। মতম অদোম ঈচাশা মতম-গী মতুঙ ইনা শোয়দনা লাকখিগনিয়ে। মতম অহুদা মুং কৌবা পুথিগী মযা নোংচুপ্তা মুমিৎ ১৪ নি খেরু-খৈরা নোকনা অকা

অকুম থিংলগনি। চৈতনা অঁহে শাগনু; খঙদনা অখঙ শাগনু উঁদনা অউঁ শাগনু, মরুপা পনঙাক্লগনি। শেন্দাংমা পণ্ডিত শাগনি। তাইবা মায়োই, মতম অসীদা শোয়দনা অচৌবা ময়াম চায়রনি। ঈচাশা! মথুং থুবাক মখোল খোক্লরোইরে। চুনা মকোক হৌরগা, পুরনা লোইবা লম্বী অমা থাঙহি চাংঙোই হারমদা শেমনি; মহুদা অচৌবগী চৎনকম অমা ওইরনি। মতম অদো অহুবোম শুখোঙ তৎনরে। কিজেৎ কিপায় শিজিন্নবা কাউ-বুগা ওমদাইনহুনা অমুক অমীবা থুবম লেপলথিনি। মতম অহানি থরম মরিংথি থরম মশাওই কাঙথঙ কয়া নাইদে। শায়গে শাগে পুনশিনগনি। অরেম্বা লাইমিং হৎলগনি। খঙদনা অখঙ অহৈবা অদনা শাগে থুম্বা পুম্বা লাইনিং থিনা মপা মপু অরীবা মমিং থিগনি শাগে অমতদা পুম্পুমা মীওৈ শীঙঙতম্না চিক্লাক কাঙবং নাইদনা কিজেৎ শিলেলেপকম খমদনা খরাও মকম নাইদবগুম লৈরকপা মতুঙ শোঁয়দনা মোংবা কংলা তুথুপ্তা চৌঙ্ঙ মায়চৌ অচুম উিম্নগনি। মতম অহুদা থুপ্নকম নোংমাংখা মখোঙদা থুপজগনি। মতুং হাক্লা কুইরোইহ ।।

মতম্নগী খোঙচৎ থেঙ্‌হুনা অমুকম্ম [illegible] [illegible] কৌবা থুমিনী লোকুপ্তা থুমিং ১৪ মি খেঙ্গা খেঙ্গা লৌকুনা লৈপাক [illegible] অঁমুক [illegible] অরী অলৌ-শেয়খিদনি। [illegible] খাগলৌরি শাহামগী অঁলোমনা 'অখঙ্গবম্ থুপবিনি' অহৈবম্ তাঙ্কলগনি। অহুগী মতম অহুদা কিরিংজি পুঙলোম লৌমলগনি। মখোল খোক্লরোই

মখোয়গী অহৈ অশিং থিজগা, খোঙরায় তাকশি। নোংপোক গুরুবু অরাং গুরুনা থুকম্বা। অরাং গুরুনা থাংহি ঙাংঙোই গুরুবু থুকম্বা। মতুং নোংলেল চীঙ নিংথৌ অপানবগা খেংগ্রুং অচানবগা থাঙহি ঙাংঙোই গুরুগা তিমন্নবা কংলৈ য়াকায়গনি। গুরু অহম্না তিম-পুঙদা মতুঙ চয়োল অমা, থা অমা মনুঙ ওইগনি। খতুনা মপুঙ কা পুক্লীঙনা মৌবা মতমদা নৌনা শেম্বীরগনি। চাক্লা কায়নগদৌরি, তাক্লে লোমলে। মতুগী মতমদগী অঙালবা খেক্লা নোকপনা লৈপাকী কুম্মে য়েংতুনা সুমিৎ তরেৎ য়াকা য়াখোক্তুনা সনা মীয়েং তাহশদা, ১৪ নি গুবা সুমিত্তা ঙমদাইরগনি। অহৈ অশিং চঙতুনা মতু থরা রাইদা হৈতনা অহৈ শাবা, থঙদনা অথঙ শাবা, য়ায়না অহৈবা, অথঙবদি লংলা-লংজীল থুপতুনা তাশিল থুপচিলনতুনা লৈগ্রনি। কাংখোঙ ঙমদাইবা হৈত্রবদি হাক্লা মতম কুইরয়োইয়ে। কুমজা মরীনামাগী চাকতোল ফিদোল লোমলনি। হৈজরবদি থরা কুইনা রায়েম্লে।

মতুঙ পু অহুম চায়নগনিয়ে। ককচীঙ মৈরম পাংবা অমা, থাঙহি ঙাংঙোই অনি অসি তাক্লগনি। মতুদা থাঙমৈ মায় হনবা ঔবাং চীথ্থে লাল্লুম্বনা শেম্বদা য়াওগনি। মতু থরা রাইদা নৌনা অমুক শেমগনি। নৌনা অমুক লেপকনি। গুরু মশক থঙনা লেপচরবদি কুমজা চুপচগনিয়ে। মতম খোঙরায় অসিদা ঐখোয় তরেৎ উনসি, ঙাঙনবা রাশিংদো ফোঙনসি। লৈপাক মরা তপ্পা অরীবা থুবম হনজিনশি। মতুঙ নৌনা অমুক ঙাঙনতুনা অরী অনৌ শিন্নতুনা সুংঙাইনসে। হয়া অমুক অরীবা মপোৎ শেমগৎনসে হয়া হে।।০।।

কে কেক্রু মোইরাং কেক্রু ॥ নচা নম্বা শংঙাই নম্বা য়োংকী পোংলোর লাইগী শমচেৎ লুপাক মথুম নাইদে ॥ তমং খুংচা মরোল খোক্কে। কৈথেলদগী উকুমা কু কু খোংলমি। ঔতাখোয় খোয়নৌখোই ॥ শগোল চেনসি লালজেলসি। নমা য়োংপী চকুপ মানবী চকুপ চকায় ॥

ওমদাই লৈতাই পুয়া অসীবু চীঙঙ্ খোংনাং থাবনা লীঙমলে। মায়চৌ থেংগ্রানা পামেল আগোর উপাক্কা খোংচৈ থাঙমলে। লাংগোল লুখোই, রাঙ্গোইখেমা, কমেং কদিবা, শামুরৌ চিগোং, নম্বোল খোঙচিমাইবা, রাঙ্ বাজি, মখোয় তরুকমা পুরীঙ মরা তপ্পা তাঙমজরে ॥

নোংপোক খোঙ কাংলনি। কিজেৎ তোলোক ওমদাইনবা মরাকনা ওম্বা কিরোলগা থাঙহি ঙাংঙোই চীঙখাঙ তাবগা লোতুনদুনা ভিল্লুপ চারোল-মৌরোলনদুনা তোমা হৌবা মহাক্কা কুমজা থরা কংলা খোঙদারগনি। মতম অদু লৈপাক থরা

---

* * * মথকী অসিদা "কে কেক্রু মোইরাং কেক্রু ॥ নচা নম্বা········ মানবী চগুপ চগায়" ॥ হায়না অসুম য়াওরিবা অসীগী অয়োইবদা "শৌরা কয়া কমেগে কমেগে অফাতে উইল মিরে।" অসুপ্পা শমথদুনা পুয়া য়াওবা করিগুম্বা অনৌবা শিনবশিংদা থেংবিগনি। মসি ভ্রম্মাদা মতম থরা লৈরুরবা কনাগুম্বা মীওই অমনা পংহাপ হাপখিবমকী। অরিবা লাইরিক্কা থেংনরোই।

য়াগনি। মগী মপা লৈতনা লৈবগুম নোংপোক্কী নোংচুপ খোংদায়রকপনা য়ারেল খৌদাবু ওয়া মপা মচা শাগৈ নাতে শকথণ্ডরদ্ধ লাইশী নোংদম থিঙবদা, মানা কৈদা পানগমগনি ॥০॥

কে কেক্রু মোইরাং কেক্রু ॥ ১ ॥

মতাঙ অসী শুবদা অয়াং খোঙগাখিবনা নোংচুপ খোঙকায়ক্কুনা খেংথাঙ মপ্লীয়কতা সনা কংলৈ কংলাদা কাদুনা লৈপাকী সুংঙাই য়াইফ থীদুনা অয়ীবা মপোং থিঙমদা, মীপোং মীয়লনা য়াইফ সুংঙাই মপুঙ ওইঙবদুনা মীথুংশু মীগী মপাল তাংলপা, মতমগী চাওথ নোংদম্বু ময়ায় লূকনা চংঙমনা মথকলোমগী অপকমানা তুংদা থোকঙমলকদবা লৈপাকী অয়া থৌয়ম্ব কোক-ওম্লবা থিঙমদুনা শৈবু শৈরেং শেমগংনা লৈপাকী লাংদাই চুকপা মতম তাকঙমদুনা পাগনি; পূক্নিং মতোল লোয়মদে। মথং-লাংগীদমকপু মকম কমলেল থাদোক্কুনা নোংচুপ হায়ম খোঙদা-দুনা মীয়মলেন্দা চত্তুনা মীয়মলেন্দা তিনখিনি ॥ ১ ॥

নচা নমবা শংঙাই নমবা য়োংকী পোংলোয় লাইগী শময়েং ॥ ২ ॥

মতাঙ অসীদগী হৌয়ক্লে। লাইগী শময়েং, চাওথ লাইগী ময়াথং নোংদমনা ময়ম কায়দনা শিনগ্রবদি য়োংকী পোংলোয়, য়োংনা শাবা থুংশু থুংলাইতনা অংথোবা অকনবা ওইনা মীয়ৌ লাং ওইরদুনা লৈপাক ঈয়াং তোয়য়নি। অঙবা শম্বগ ওইবনা মনা-মপীং

চাদুনা লৈপাক য়াথোক ওইগনি। মতাং অদুদগী হোরে ; থকনা খাদা লৈগনি, খানা থক্না কাগনি। য়োংনা অথোবা অকনবা ওইনা শিজিন্নয়নি।।

নচা নমবা শংঙাই নমবা—নচা নমখিবসু য়াওরবরা ?

তুংদসু য়াওরকবরা ? য়াওখিবনা মপা মচা, মচিল মনাউ শক-খঙনরয়োই। পূ অমমা মশা ময়োং য়ামপ্রনি। অহল মরা খুল-লিংদবা ওইরনি। খানা থক্না কাদুনা তম্লনবা য়াঙাং যাহৈনা মপা মচা খঙনরয়োই। সুপী ঝাংথং নাইরয়োই। মপূ মশক খঙলয়োই। সুপী লমখোইবী য়াম্লনি। নিপা মাইবা য়াম্লনি। নিপানা মাইবী শাত্নুনা লৈপাক মপী-মপা শকখঙলয়োই। সুপীনা অহৈবা ওইদুনা লৈপাকী মায়চৌ শারনি। ক্রম চীঙবু অশি খোঙজীল চনদুনা লৈপাক ময়াঙ হোদুনা খুদাঙ পিকম তৈনা ঙম্নবা য়াঙাংনা শোয়দনবা লম লোম্মনি॥

শংঙাই নমবা—শংঙাই ওইনবা মতাঙ অসী হৌখিবসু য়াওঙমলে। ঈনাউশা ! ওইঙমখিবসু উখরে। ঈরমলেলবু মীরমলেল ওইখিবনা অনৈবনা ময়ায়দা ঈচেল ওইরনি। খয়্রঙ মপান্দা উচিনা খৌশাবা তম্লনি। শোরোক য়াংণী থক্না লাইঙ্গ উঙাম থারনি। ঈনাউশা ! মতম অদুদগী লেপ্না লেপ্না শিরনি। উমং লাই মাপলমা মথক্না চীঙঙু মাগী শাইওন্না লমগী শানা খোংলনি। নখোয় ঐখোয়দি শক খঙদবনা লাংওল কূমমৈ খঙঙমদে। তাইবঙ মপোক লাংওননা তুবী চানা চংঙম্বগুম মপূক্না মথান্না

চৎঙন্না মখোঙ য়াঙনা চৎঙন্নবু ওইঙমদুনা কম্বাল লাংবু লেংদা হোংঙমদুনা লমলেল ভামনা য়াইথুং কম্বাল তালকংলনি। মীচাকনা মীচিলচাক ওইনা চারগনি। মীপোৎনা ঈপোৎ শারনি। মীরোলনা ঈরোল ওইনা খুলিংনরনি। হাম্বরুদুনা কান্নদে য়াহৈ খরগী পাউরৌদা মনীংশিংলগে। খোকপ্রবা, হৌপ্রবা, রাইরিবা ভাকনি। মরম অসিনা ঈনাউশা য়াহৈ খরা শয়গে ॥

শংভাই নমবা=শা উচেক্না মচিলচাক ওইনা চাঙমগনি। চিলচাক তিন্নদবা মীওইগা চারোল মোরোলনদুনা চামিন থকমিন্না, শা ভানা চৎপা শাজৎকুমনা ঈচিলচাক মকম পললেপকম নাইদনা চাঙম, হৈঙম লৈঙমগনি। হৈতনা অহৈ শারনি। পোৎথি-পোথি থিঙন্নদা লৈপাক্কী মরা ভৎদুনা ককলেল মীচাবীনা খোংলগা থাঙহি লোক্তা, ঈরেন্দা শাৎপা লৈরাং থরোগী লেলক্ মরা ভতুনা ঈমায় থক্তা তাউবগুম নিংপৌ হৈঙম শিংঙগলোই; লৈপাক ঈয়াঙ তোয়রনি।

ভগী মরেক্ শীংখোঙদা মায়কৈ মরী গুংদাই নীপাল শীন্না তুনবু থরায় থোংলম শেমদুনা ভাইবঙ মশক মচু হায়ঙম খঙঙমদবগা শকথঙ মায়থঙনদুনা খুনশেম খুন্দারবি। ঈকমলেলনা মীরমলেলদা তিন্দুনা মীরমলেল ওইদুনা লৈঙমগনি। পোথি হৈঙম শিঙমনা লৈপাক্কী ঈথক ঈপোম, ঈপোম ঈহৌ চাউদম শাংদয়রগনি ॥ ২ ॥

লৈপাক মথুম নাইদে; ভমং থুৎচা মরোল থোবতে ॥ ৩॥

অঙম্বা নিংথৌনা রা ঙাঙকম খঙলরোই। মপুক্কা অকি তুজুংনরনি। ঈনাউশা। মতাঙ অদু চীঙদা কারগা পাম য়ানলু। নিংথৌ অপোয়ব-ও। লোইপোৎ হাকৈ, নিংথৌ অপোয়বা হাওক্তি শেৎলো লোইপোৎ লৌতলো। তাউতিং সনা পাথংবা, মোৎনা ফিশেং শেৎলু, মাংনা চাকশেং চাও-ও, অতোনবগী কম্বাল তোংব কোয়ে খঙও। "চীঙবু মমিং হায়রমগে" তোলোং চীঙবু কৌবনে।।

লুপাক মথুম নাইদে —লৈপাকী মপী মপা মশক নাইনা খঙলরোই। লৈকম চাকম কাংথঙ থুবম খঙলরোইয়ে। মতাঙ অসীদা মণিনা লৈবা লৈপাক অসীগী য়াদি লৈথক লৈখারোল থৌরম লাকরেল অমা ওইখরে।।

চীঙঙ্‌ খোংনাং-থাবনা তাকখিবদা ঔয়াং খোঙদাখিবা নোংচুপ খোঙকাবা, নিংথৌ অনৌবা মীপোৎ লাইরমনা ঈরম লাইরম শেম্মই। ঈরমলেলদগী মীরমলেলদা চৎতুনা মীরমলেলদা তিনখিবা নীংজবা পনদোম লোমখিদবা তুংগী লাকয়েল থৌরমবু তাকথোক্নবা শীল্লবা নিংথৌদি মপোক লাংওল অমগী থাপেম্বা মথংলাং পামহৈবা শ্যামশাই লাংওল তিম্নবা পাউয়ৌ হায়গে।

চীঙদা শাৎপা ঈঙেলদৈ, চিলনদবা কেনখিবা, হা লাং অঙাং-ও। নীংখিজৈদা তুংগী লাকয়েল শীল্লবা হায়বা নিংথৌদি মৈদীঙঙ্‌ কর্ত্তা চীঙথংখোম্বনি। মহাকনা লাইগী শমচেৎ থৌরমবু তাক্নবা লাইগী শমচেৎ ময়াথং অমা লীরমমি। মতুঙদি মথক লোমগী ঈপুথৌগী লমল লৈনা শ্যামশাই লাইগী লমল লোম্নদয়ে।

মতুঙদা লাংওল অমা নিকৈ। মতুঙদা মবুধৌ পাখংবনা পীখরে। মহাক্না চৌঙথংখোম্বা ওইনা লোকলো। লাংওল লাংদাই অমসু হায়রমগে। লাইগী শমচেৎ ময়াথং শোয়কদবা রানে। অহনা শকাব্দঃ ১৭২০ গী মনুঙদা মঙলালদা হায়খিয়ে।।

ভেংগোল অহূম অদুনা ওইগদবদি চহি ২০০ (চনী) গী মমুঙদা ওইগদবনি। ঐদি চহি ১০০ (চাম্মা) দা লৈগনি। অদুগ ঐ অমুক লাংওল্লকনি। ঐগী মতমদি মংত্রে। অদুবু হে চৌঙথংখোম্বা! নঙনা কায়বা অসীদা ঐহাক অসীনা হীকভোকপা ভোরম্লরোই। নঙনা ঐবু ফংবা মকম অহুদা অমুক হন্না ঐ অসী পামেন থৈবোঙ পাম্বী ওইনা হোদুনা লোকল্লরগে। অহুদা নঙগী শাগৈ অহুম্না মশুং অহুম খোক্না য়াম্নদবদি য়াররোই। ঐনা খোকঙমলকপা মতমদা ঐ অসী ঈরাইদা লোকনি। ঐগী ঈমিংদি বৈরিদেব কৌও। মতম অদুদা মিংথৌ ওইবদি চয়াইলোংবগী ঊনা ওইয়ো। চয়াইলোংবা কৌবদি খাগেম্বা কৌয়ে। অদুনা নবুধৌ পাখংবনা লাংওনবা চহি ৪০ তানবনা নৌমা চুক ফাজো-ও ফমলেম লুচিং ফংগনি। ঐনা খোকঙমলকপা মতমদা ঐ অসী কবো নিংথৌ খোংবান্দা চৎঙমগনি। ঐগী ঈহূৎ ঊয়েং শিম্না খোকঙম্বা অদুনা কংলৈ পুঙমায় লেপতুনা লৈপাক অসী পানঙমহনা চাউহৌসনু। মাগী খোরম ভেঙবাঙনবা মশক অমনা অহুম খোকতুনা কংলৈ য়াকাপুঙদা তিল্লুপনরমলগা নোংপোক লৈহৌ চৌঙদা খোঙগাহনা মহৌশাগী রায়েলকমদা লেপনহনা মখোই অহুম্না মশক অমা ওইঙমহন, কংলৈ খুবম পুম্বা সেমহনা অমৌববু

অরীবনা লোনমছুনা অরীবা নৌনা খুন্থোক্লুনা পালঙমহল্লগে।
ময়ম পাউতাক অসি লূপাক মথুম নাইদবা মতমদা থোকখরে ॥ ৩॥

কৈথেলদগী উকুনা কূ কূ কূ খোংলনি। ঈতাখোয়,
খোয়নৌখোয়, শগোল চেলসি লাসজেলসি ॥ ৪ ॥

কৈথেল পাউনা চায়বদি কৈথেলদা মী য়াম্না কাবগুম মীরূপ মপৈ তিন্না মায়কৈ মরী শুংদাই নীপাল শীম্না মফম মফম থূদীঙদা য়াকাদুনা কৃ কৃ কৃ পাউজেল পাউতাক্লুনা শগোলনা য়াঙনা চেনবগুম মায়কৈ শীম্না চেন্দুনা লৈপাক ঈরাঙ-ঈথক ঈহৌ হৌগনি। ঈতাখোয় খোয়নৌখোয় মরূপ মপীজা পূম্বা নহা অহল নাইদনা ঐখোয়গী পাউজেল অসি লৌদুনা লালজেলসি, অমতা ওইনা চেলসিনসি চেলসিল্লনি ॥

(উচি চী চী থরূঙ মপান খৌশাবা শেন্দাং লাকই ক্রুঙ।) খারং খাজেং মহা পাখংবা মানা কোনবা লমদা খৌশাবা মনীং ঙমনা লৈরম্বা শেন্দাং লাকই ক্রুঙ। লৈপাক ঈরাঙ ওইনবা রায়েল নোংদম অমা লাকঙমগনি। মতম অদূদা মখোয় অদূ চেনখিনি। ঈনাউশা। মতাঙ অসীদা নখোয়না লোইবু ঙম্মবা ওইঙম্মু। রা অসী তাবদা থেংগ্রা মায়চৌনা হায়,— গুরু মতাঙ অদূ নকশীনমনখয়ে। নচা ননাউশিংনা হৈঙম শিংঙমথিরোই-দমালে অমুক্তং থন্থবীদুনা লাকয়েল ঙমদাই লাংদাই থোরম অমা অনীদঙ যেংবীখো ॥

চীঙচ খোংনাং থাবনা রা অদু তাবদা হায়বে, হে—মায়চৌ থেংগ্রা লৈপাক অসিদি রাঙমগদৌরেদা অদুবু নহাক্না ময়ম উদুনা হায়রবনিনা মখা ইথরো। হৈতনা অহৈ শারনি। মাগী রা

ঙম্নবা থৌশীনবদা লৈপাক খোয়ঙ্ক খোম্নদাম্নরোই। অকৈ, অখিং লংলা লংজৌল থিওম্নরোই। মথায় লূক্না লৈতায় মুংদাই ঙমদাইব থন্দুনা পূক্নীঙ ঈরাঙ ঈথক ঈপোম হৌগনি। ঙম্নবা লম্বী থন্দুনা মোংবা কাইদা লৈরনি। থঙদনা অথঙ শাবনা হৈতনা হৈঙম লুচিংদুনা ময়ায় য়ুমফম ফমদুনা মশাগী ওইজনবগী রাথম্না লাংদাই লম্বী ওইদুনা ঈরাং থৌরম লিংঙমসনু লৈপাক ঙমদাইবা রারনি। হে কংলৈ নিংথৌ অপানবা মতাঙ অসো লাক্লবদি অরীবা থূবম নপোং থিনবা নপোং থঙনবা অহল মনাক্তা কমদুনা ঙমদাইনবা হৈঙমজৌ। হৈত্রবদি তানকংজগে থৌরাংবা কমলেল লুচিংবু মরায় তাঙজ লূকঙমগনি। ঙমদাই লম্বী চুম্নবদি তানকংজবা ওই-গনি। লাইরিক কোয়না থিজনজৌ। মহৌশাগী নোংলেল রাকা খুন্দীন পুঙ, খুবম খুনশেম ঙমদাইনবা য়েংঙম্ববু মখোঙ লেম্না লোইবী নোংলেল খুদীংদা খোঙগা কম্বাল লাংগনি। কংলৈ বাংবা নোংমাই খুরৌ চেনবা পাউদা য়াঙবী ঈরায় থেলদা শেক্তা য়াঙবী শাংদম্না তুম্বী য়াহৌপ য়াবা মতম অসীরাইদা খোঙদা খোঙগা মাইকৈ পাংনা লৈতায় ঙমদাই থাঙমজগে হয়া হে॥

ঙমদাই পূয়াগী ওইরক্লবা অম্না হৌঙমলো। নোংপোক খোঙদারকপ:না নোংচুপ হায়ম পানফন্দুনা লৈপাক লৈপাক ঙম-দাইদুনা লাংদাইনবা অতোমবা শাকৈনা যমলেল লুচিংঙমলৌদুন অমরক হম্না থাঙমৈ মায় হনবনা মাকমৈ পাঙনা খোঙদা খোঙ-গারক্তুনা কংলা মোংবা ইরাল-য়াম্নদা অনৌবা উরেপ (যত্রা) হন্দুনা লৈতাই ঙমদাইরগনি॥ ঙমদাই লম্বী চুমত্রবদি ওম্নকপা

লাকয়েল কুমজাবা থক্না থাদা থংগনি, থানা থক্কা কাগনি। ঙমদাই লাংদাই মকম-লাং, নোংপোক ঈরায়থেল ওইদা পুক্ত মরোঙ রাকায়খোল, ঈরম-লাংগী পনথেংকম, খোংগী লমঙা ঔরাং-পাং, গুরুগী শীঙেঙল লৈরাং উতুংলৈ মখোঙদা সনা চৈনা পান্দম্না, লুপা চৈনা চাংদম থানা লৈতায় ঙমদাইজো; মুংঙাই মাইবী মরা তপ্পা, পুন্সি মুংশাং ওইঙময়ে। কংলা ঔবাং লমলোনদি তুবী থরং মকোকলেলগী মৈহো মৈতোল তোমনবনি। রানা হাইনা থাঙকমনি। নুঙগোরবীদি অনীবে। চীঙ্ গুরুগী-য়াঙবী থা-নকম শল্লাই তরেৎ তিন্নকম, গুরুগী য়াঙবী চুকথা-থেল, গুরুগী হকচাং কংনা পুঙ, পামেল চুক-শেল অহুম লৈঙমনে। শোকউম্নু; কুমজা লৈনা ওনবদগী লৈপাকী রাখোক শৈহোৎরে। ঈঙম্মু ঈঙস্তি ঈঙঙমদে, রাসূ ঙমদি রাঙমদে, হয়ি হে ॥৪॥

সনা য়োৎপী চকুপ মানবী চকুপ চকায় ॥৫॥

রায়েল থৌদা ওইনা সনাগী য়োৎপীনা হাজঙ থাবঙম্না ইরঙ লংনা চঙখোনবা ঈ-পোৎ ইরল থিজহুনা লৈশেম খুনখোক্রবা থৌরাঙববু হৈঙম-শিংঙমদবনা অহৈ-অশিং শানহুনা চকুপ মানবী ঈতোয় তোইনা কায়গদৌরে। মতাঙ অসী হৈ-শিংঙ্। চকুপ চকায় অঙম্বা, নিংথৌ, লৈপাক পুক্লীঙ অমত্তা তিয়হুনা ঈরূপ মীরূপ নাইহুনা ঈয়াঙ তোয়না পানঙম্বা চকুপ চকায় কায়রনি। মতাঙ অমনা কংলা মুংকে নাপোমদা অঙানবা নিংথৌ পাথংবা চীয়োঙ তয়া মরী লোঙদুমা মুমিৎ চয়োল অমা য়াৎথোকনি। মহাক্তি লৈপাক কোয়ঙমখিগনি। মাগী রায়েলনা খোঙগায়ক্লে

খওধাদি পণ্ডিতশিং হিদেন ঊরেপদা থুমায় থুনকলংঙবা লেঙলা য়াওবী খানবদা নৈয়াং অসী ওইনা হৌবনা মরোঙ মকা মরী ফাংনা পাংলদি। মতাঙ অসী তাইতবদা ঐসু থোকঙমকে, মথোয় খ্বাইসু থোকঙমকঙ, তথা মথৈ সেমগতুনা অচীবা ঊপোং মাঙ-হনবা অরীবা থোনা থুহোকতুনা থুনাদি। মতাঙ অদু লাক্লগা ঈশক ঊশক খওনসি। ঐবুদি নথোযনা থিঙমজকনা খওঙমগো। মথোয় খ্বাইসু ঐহাক্কি। ঐহাকসু মথোয়গী। ঐহাক মহাকঙ থাজদে। মতম পুনমকনা থানদে। নৈপাক নৈবেং ঈয়াং পুক্রম থোদি মথুৎসু ওইনা পায়থঙমগদবা মহাক্তনি। হে—থেংগ্রা মাখচৌ-ও। মতাঙ অসীদগী হেল্লবদি মচ ঐগী পেমবমদা ওইরম-লয়েদই। হে মাখচৌ থেংগ্রা মতাঙ ওইরে লোকলসি হরি হরা হো ॥৩॥

(চন্দ্রকীর্ত্তি সনা হাকক্তা থোকপা।

মতম খরা নৈরগা পণ্ডিত তায়া চাবা ভূর্ভাসিং য়ায়া থয়া নারে। হায়বা পাউ অসি চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজনা তায়হনা নিংথৌ মহিবা কয়ামুক পুয়কতুনা খরায় লায়কয়বা সনা থোক-লেঙলকই। মতুদা পণ্ডিতনা মহারাজগী মফমদা হায়খি, মহারাজ। ননাই ঊপূদী শ্রীযুৎনা লায়কয়বদা কয়া খুদোং চায়রোই। ননাই ঊপূনা শ্রীযুৎকী সনা চরণ উজনিংবদগী তাইহনা লৈরম্বনি। ওসি ঊপূনা হংগৎপা য়া অসী মতম চানা সনা পুক্নীং তৌবীয়ু। সনা হাক্তক অসী ইকায় খুমনৈদি হায়বদু খুমাঙ থোইনদী

চাওশিল্লোই। মীয়োল ঈয়োল লোলদিম্বা ওইদুনা মীয়ৈবাক্তগী লাক্তুনা মরূপ খুন্নারগনি। লৈপাকী অচেৎ অঁকোম য়েংগনি। মখোয়না শ্রীযুৎপু মাঙননবা হোৎনবদগী মিংচৎ হেনগৎকনি। মখোয়না ভানবা লম্বীদি লেঙদবা খুবম ওইদুনা পনথাক পমচেন ওইদুনা ময়াং তোকন্ডা শাগ্নি। মচা ঈবুঙঙো অমীদি লৈপাকী মপা মমা ওইনবু কুমজা থগ্না পাল্লনি। হাক্সা-মক্তি নুংশাংলোই। মচা ইবুঙঙো অমগী হাক্তকা মরূপ তোকত্তা শাবদ য়েক্লবা ভিংখং ওইদুনা লৈপাক মগ্না তংলগনি। মরূপ তোকত্তা শাবমা খুম্হোক খুম্লিংথোক ওমদুনা চাদবস্তু চাগনি, উদবস্তু উগ্নি। খত্তদবস্তু খত্তলনি। কংদবস্তু কংলনি। নিংথৌ নহাকী মতৌগুম মনীং তম্না মমিং চৎনা পানজবস্তু ওইঙমলোই॥ মহাকথক্তা মরূপ তোকত্তা শাবগী খুম্হোক থুনমেন মমী শাম্বা ওইঙম্মদি। মহাক থক্তি কদৌদে। মাগী মহুৎ চৎঙম্বা মথিক-মথা কনবদি হাক্লা মতমদি নুংশাংইদি হায়ববু য়াঙম লেংঙমদনা পানঙম্বু ওইগদৌরি। মহাক থক্তা তোকন্তা মরূপ তাগ্রনি। মথীক-মথা য়াঙবা নিং-থেমদো মরূপ থৌদাল ওমদাই কাইবী হৈক্লগা লীয়োল চুপ্পা পানগনি। লৈতাই ওমদাই হৈত্রগা মহুৎ লাংবা মতীনা লৈপাক চুপথৈ চুপকানি। মহাক্তি বাথৈ পম্হোং লাম্লুবা কৌবস্তু মহাক্তে। মনীং থুংই, থুংদেদা, অহৈ অশিং শাঙম্বস্তু হৈঙম শিংঙক্তবী মতীক মতাল মাঙঙমযে। মহাক্লা মপোৎ মশক খত্তদবনা লৈপাকী মীয়াম অপুম্ববু মপোৎ মশক খিঙমলোই। অহৈবশিং য়াম্বনা লৈপাক ঈরাং তোরমনি। ওমদাই লম্বী খত্তনা নাউথেম নাউগুম

হৈরবগি মৈতৈ নিংথৌ তাকহৌমলোই। "তোকা মোয়া পুঙ" হায় নাউথেম-ও! শল্লাই তরেৎ মঙু-মখোঙ মুৎহৈদে। মদো পুঙ মায়য়োল লৈপাক তাইহৌমকমনি। পুঙমায়য়োল মল্লখোং চোৎলগা ঈয়ম মীয়াল হৌমদাই চুপথা চঙবা ওইহৌম্মী। মচু তরেৎ পোক্লকম পুয়মকন্থ খঙনৈয়ে। মীথোয় মীহেন্নকমনি। নিংথৌ খুবম চেৎ-কমনি মক্কম লাংবু য়ৌজবা মৈতৈ পোইরৈ নিংথৌবু লৈপাক তাকপা খঙজ্রেয়ে। মশক তরেৎকি পোক্লকম মল্লখোংস্থ কৌনৈয়ে ঈথক ঈয়াঙনা থুমগ্রবদি মৈতৈ নিংথৌ তাকহৌমলে। মচুদি অরাং লাললুম পনশাবা মায় হনবা খোঙগাবনা ময়াম লেপ্না রায়েলগনি। শল্লাই পুন্নমক মঙু মশা মরোং চুম্বা হৌমখিত্রবা মখৈদি মতুঙ ঈন্থ তাকহৌমগনি। লৈপাক লৈপাক তুনা মপাল মরা তাকহৌমলোই ঈচেল ঈথক ঈপোম হৌবগুম পানহৌবদা থোকহৌম্বা মওং ওই। শা-পাউ, লাল-পাউ কল্লি খুৎলায় থোকহৌমলোই। লৈপাক তাকহৌমলোই নিংথৌ ॥০॥

ক্বাক ক্বাক করি পাউনো? ময়াং পাউনে? ঈচা খোমদোল মৈরৌবী লাকপরা? লাক্কে। অহৌং অমত্তা লেক্কে? লেকফদে। চাক চথোম অমত্তা চাগে? চাফদে। ঈশিং থুজোক অমত্তা থক্কে? থকফদে। সোমদা চৎকে চৎফদে। নকোক কাগে? কাফদে।

নক্রাঙ লীৎকে?
লীৎফদে।
হা—খোমদোল মৈরৌবী চেৎনা য়াল্লুকো,
হোয় হোয় ॥০॥০॥

চৌওঙ্, গুরু পুন্না

ঠ লাংবন খোয়রাবনা খোইহারোল, শাহীং লালহিং ভান-রৈ। পোইরৈ অভাম্বদা গুরুনা লাংওম্বুনা নোংপোকলমদা মনিং "তোলাইরামা" কৌনা পোকনি। চৌওঙ্না হায়—পোখীনা গুরু লাংওনবদি মতম গুরুরুবদা কৌক্র পাংনা চৎকদবনে। ঐ হলক্ররোই খওনসি। মাতম অতাম্বদগী চেক্লানা কাক কাক করি পাউমো? মমাং পাউনি। করি হায়গেগে? অহীং অমা লেককে; লেককদে। নকোক কাগে? কাকদে। নক্রাও লীংকে? লীংকদে হা—খোমদোল চেংনা মাল্লু, হোয় হোয়। অমুমা মালেম্বু লালজাউ খোকদৌরিয়ে। শেল চকুপ চকাই শারনি। মাংমাগী মতম মমায় ভালকংলে। পোইরৈ নরৈপাকম্বু অমী অলৌ খুমখোক-খুললিং ভমতাইনগনি ॥ • ॥

গুরুগী খোংখোং পামবৈ শেমলক্লে। গুরুগী কাংখোওম্ মাভুরনি। মৈনীং চৎপা শায়ম-চাক গুরু অহুম ভামরগনি। নোংদোল লাই নুরা ভরেৎনা ঈপাম মৈহৌরে "হায়না লাংজিং মৈচাকলে মৈকলমু" হায়বা মতাও লাকলে। ঈদু নিংথৌ মাওংরিবনা খাম্বী মৈকলমু" হায়না নোংপোক গুরুনা কৌক্র পাংনা লাকনি। মতাও অসি খুমন গুরুনা কোয়ৌ নোংখোং কোয়রবদা, নোংদাই হৈবা ঈবুঙতোদা মালেম নোংখোং কায়রে। লৈতায় হৈবা গুরুগী মেনপুঙদা খুরু খুদক মনশা লৈমায় থকা ভানা মাভুরনি। মাংগোই শাবু অতৌববু শাদুনা গুরুগী

মখোঙজল লৌবকপদি য়াংগোই শান্নু অমৈকনা [illegible] খাং-খংপা মতমনি। [illegible] [illegible] মতম[illegible]দি খুমল শুরুপা উরহুনা মখোয় তঙ্কা খাঙমলোপ পাম্নো[illegible] লৈমরেল লৌংঙল চঙখোলবীবু য়াইগা লৌমনহুনা কুংকদনো। মতম অদুদা তাইবঙ লৌরাখৈল নম্ম পোংহনবা লাংঙলবনা মিকুপ অহুম শুবদা অতিয়া শুরু শিনবদা ঈমা লৈমরেল শিদবী অহুম্বা মঙকাওরমগদবনো পুং অহুম শুবদা লৌরী য়াংবা সনা মহী অমদি পাখঙবা অমীবু উনরগদবনে। সুমিৎ লৌপাননি শুবদা মালংবু তালগদবনে। সুমিৎ ভরানি শুবদা মালেম কোয়থিবা নরোল লাইনিংবু শংসং কাওরগদবনে। সুমিৎ কুম্নি। শুবদা মালেম তেকপি লোকলৌকোন্দা পামেল ভূখালোক তরেৎ শেললম-থাম্ন, তারানা চাকপৌ য়োৎপৌ লাংনা পামেলগুম চাউথোইরগদনে। চুথী লাইরেল মরুমনা কম্মাংদৈদা কোনজংলগদবনে। লৌরী য়াংবা সনা মহীনা পাখঙ-কম্মাংদৈদা খুন্নু খোইয়ুম মহাকনা লাংপুম ওইদুনা তাইবঙ পানববু কপদবা লম্বীবু শেম্মীগদবনে। অসি হায়না শুরুগী য়াথংনা পাউতাক পিখিয়ে। ॥ • ॥ কংলা য়েনকাউ-পুঙদা লোলতৈনবা অমগী সনা ভূরেপ (যাত্রা) হৌলরবদি কাইরেল থাগী ভরা-ভরেংনি প্যানবদগীনা ইঙেল থাগী থানিল কাওবদা য়েংঙু, মহুদা শোয়রবদি মাবু হনথিবা সুমিৎ মতম অদু কাওদা থঙগনি। লৈপাক কায়গনি, নিংথৌ মকম শিনগনি শোয়রোয় ॥ • ॥

খাইবরোল (১)

[illegible], প্রথমগী, মৈথৈ, [illegible] [illegible] [illegible]।

৫. লাইখিংথৌ [illegible], মপোক, [illegible], [illegible]। [illegible]-

[illegible] মৈতৈগী [illegible] [illegible] মৈতৈকী [illegible]। [illegible]

কিজেৎ অমা [illegible]। খোইরম লাইরম্বম [illegible]

তৌরমগা হারে। অদুগী মতুং নৈপাক, মথক মথা ওলপদরক।

[illegible] লাই মাপলমা, থৱাইরোল [illegible] থাংলপবোব [illegible]

মৈরিককী [illegible] [illegible]। নোংশা [illegible] [illegible]

শাদঙ লৌচাওবীনা পোকপা মচা কৈপী [illegible] মগ্ম-নোংশা

লিংথৌর নোংপোক লমদা তাপথোকলগদগেনে। নিংথি মচামচা

নোংশা, থবাই মাংলগদনে। মাগী মীচৈনা লৈপাক অরাপা মংলগ-

দনে। লাই পাথংবগী শ্রাক ১৬১১ ভবদগী হৌনা নোংপোক অমম্মা

[illegible] কৌরগদগদনে। অদুগা তুলাই মরাবগী, খোইরম মাকসা

মথাওরম্বগী নোংপোক লমচহি ৮৩ লৈরগদনে। মৈতৈ পুক্নম

মাঙলগদরগেনে। মপা মচা থক্ষমমরাইরে। মচিন-মনাউ চাবনরোইরো

নোংচুপ লমদগী চাস্নেনবা হায়রে থোৱাদনা পাকনপাবি থবব।

অদুগী মতুংদা মৈতৈ পুনমা অহানবগী হৌনা চহি ৮০ অমা, তুলাই

মরামবা পাইরককদনে থত্তে। মানা অমম্বক হনজিল্লকনবদি মে

লাইখিংথৌ থাগেমপাম নঙগী মপোক কাওরকতনা বাম্মোনগী

লাই তৌন তাসথোকতনা ভুবী নগোল চোংনা কাওরবগা লাই-

রেল মনজাংবৈদা তৌংদনা মেত্তে লমচৎ অমীবা অমম্বক হল্ল-

চিন্নগদনে। নোংচুপ লমদগী শাগে অঙীবনা তৌনুথোক-লাকুবোহে

পঙনা থিরগদবনে। নোংদম-নোংথাইবীরগদনে। বায়েল থৌনা কৈথাঙ লোয়নগদবনে। অদুগা লাইরেন সিংথোমা মরুপ কোক্ন-গদনে। মরুপ অদুবু মৈথৈ লৈপাক্কা কাংনা কনাইদেরা ফোং-হলগদনে। চহি কুলসংতরেৎ (২৭) পাম্নগদনে। লাইরেন মরুপ অদুগী থাম্না পামগদবদি চহি চমী য়াথেৎ (২৫০) নে খঙও। লাইরেন মরুপ কৌবদি চয়াইলোংবগী থায়নে খঙও। অদুদৈদা চয়াইলোংবনা ডাকনাথাদা শাদালদৈদা পাখঙবগা কোম মপান্দা তাইনদৈদা লাই পাখঙবনা "নঙগু থুপথিরো ঐম থুপথিগে" হায়দুনা বাংথৈ কোইরেঙবা য়াইস্কুল লাকপদু য়াওয়ে পাখংবনা হংয়ে—"নঙ কনানো" হায়রে। "ঐদি বাংথৈ য়াইস্কু লাকপনে হায়রবদা পাখংবনা হায়রে, "চয়াই-লোংবা নঙগী ঊ পীরমলো। নঙগী থা তক্কী গর্তদো বাংথৈ মমুমদা পোকলগনে, অদুনা নঙংস্ যুগ অমদা পামগনো" হায়রে। লাইথিংথৌখ ডাকনাথাগী কোম মপান্দা থুপথিরে। অদুদগী হলকু-লবগা চয়াইলোংবনা মতু থা তক্কী মীয়োলগীবু য়াংথৈ কোইরেঙবা য়াইস্কুল-লাকপদা পীনরে। অদুনা মচা নিপা অমা পোকয়ে। চয়াইলোংবনা মমিং থোক্নয়ে "চাউবা" কৌএ। লাইরে লাথুপ কৌবদি অসীনে। খঙও ॥০॥

হে মীবোইবা সিংও, অশাই হায়থিবা মৈথৈনা লোংপোক লমদা ৫০থিবা মচিল তহামনদগী থৌনা চহী কুমশীং মরিফু হুমদোই (৮৩) ওরকলবদা পাখঙবনা কোলজংলকদনে। মখল লাবা কোলথিরগদনে। মমাই লাবা খুমজঙলকদনে। অদুম লোয়ম চমু পুন্নদকনু মাগী মাগী থুলকমদা হলজিন্নগদনে। মপা

তথা শাগৈ মথেক থগনা, পুংডোই মমাঙ কাঙনা পাঙলদবে।
কৌক্রুগী শাইশ্য অচৌবগুং নোংপোক লকপী শাকুমংগ ক্যাং
য়িংথোল চহই পোকপীদা লৈরগদনে। লাইরিক অসীদা হায়রমবা
অশ্লাইবী থাকি, লাংকোল পুথোক, লম্পাথোং থোমা, তাইবেংথম
থঙ্গোমবা, মিংথৌচম কিয়াম্বা, রোক্রুম থোকানাউচম, শোয়রম
লাইথংথম, লাই মনাই, শাগৈ মাপলমা লোয়মনা লাইরিংথৌ
থাগেৎপা হায়রম্মা অনে। কাইথরোল কৌবা লাইরিক অসিদো
উনকম লাইকম, উম্নী লাইরী অসিনা লোয়মহনে। হায়রম-
লবনে থগও। তাইপঙ পানবদা লৈরিবা মীওইবশিং-ও সোরারেলনা
লোং মথক্তগী কাপথকুনা মীয়োইবগী মরম থগনবা (ধর্ম্ম) পুন্ন
তৌবা মীবু নোংদোন্দা শোক ১৭৯৮ দা শিথরকুনা ঈপ্তেল
থোরাল অনিমাদা শাগৈ শল্লাই তরেংমা মাগী মাগী ঈমকমদা
হনজিমব হোঁরগদবনে। অসীগী পান্দমদি লাংবোন নিংথৌগী
যুগতা কৈয়োয় পুন্নমা হাও, ময়াং পুন্নমকসু ওমনা চাউরগদনে
অসীগী মতুংদা নিংথৌ তহুম য়াননগদনে। নিংথৌ অমা শিরে।
মতুংও য়িনবা মী চাওরেৎ (৭০০) শিগদনে। লমবী কৈথেল
লাকপা কুলবা, তুরেল কাৎপা য়িমকম হোংকৎপনা উম্নী-লাইরী
উনথোক লাইথোক পুন্নমা লাংবোল নিংথৌনা তৌরমগদনে।
লাংবোল নিংথৌদগী শিন্নবা নিংথৌদি লাইরেল মরুমনা
কোকপা নিংথৌনা মাগী হাকুপক্তা নোংপোক লম্ ফিতৌ
কৌরমবা হল্লকুনা মৈতৈ লৈপাক্তা ফিতৌ কৌরগদনে।
তোয়পুংদা মী চথা অমা লাক্কদনে। কোওয়াও কাইদা

মী লিশিং অমা তাগদনে। খোৌ অথদা মী ধনী চিকথীন্দ্র-রগদনে। হে মীয়োইবাশিং-ও। নঙগী নঙগী খোৌরী যুমকম চেৎনা তৌফো-ও।

হায়খিরিবা খৈবীকতো খেঙক্রুকম অমুনা চৈথাবা চহি মরীফু হুমদোই (৮০) থা তরেৎ (৭) সুমিৎ (৭) নিদা লোমলগদনে। লৈপাক লাই, নিংথৌ লাই, উমংলাই মাপলমা শাথি খোইগুনো। পণ্ডিত মণ্ডাম্বনা হায়রমবা য়ানে চেৎলো, য়েংবা হৈ-ও, থাওবা ফললো, শোয়রোয়দবনে। শোক ১৭৯৯ দা খোয়ায়েলনা কুম-লক্ক্‌না মৈতৈ লৈপাককী মেরুবা খৈবীকতো লৈতমবা থাম-লগদনে। অক-কৎতা থলদনা খোয়ারেলনা খোঙকল লীরুঙ তিংথৎতুনা কৎতবা মীগী মথৈ শুমনা হাৎকনি। অকবা মীদি হিংগদনে থঙও। মীগী ময়ুম মৈ থাবা, যল হুবা, নাই হুবা পুমনমা শুমনা শিগদনে। হৌরগদববদি ফাইরেল থা কুনগা মণ্ডানি পানবদগী হৌদনা কালেল থানিনদা লোমরে। বামোননা পুথোরকপা কিশেৎ-চাকচা খৈবীকতো তোকলগদনে। য়িঙেল থাদগী হৌনা বামোন শাগৈ পিকলগদনে থঙতো। অসীগী মতুংদা উমংলাই মাপনমাদা মী পীরগদনে॥ থা, বাং, নোংপোক, নোংচুপ খুঙ্গুম চন্নগদবনে। লৈপাক য়ায়েল চুমগদবনে। লৈপাক ফংঙাইরগদবনে। চহি চহুম (৩০০) গুনা পালগদবনে। লাইরিক অসিবু থাজদরবদি নহাক উৎকুম তুম-ও, চেৎনা তৌফো-ও।

হৌজিক্তি পারী পুরারিবু হায়গে অঙোমমা নিংথৌজাবু ফাম্বংথোক্লদনা নিংথৌ য়োইরবদা লৈপাক অরাবা ফংলে। অঙোম

পানবা ওথদরে। অদুদা অঙোমনা নিংথৌ মচা কথাম্নদা নৈথংনো থিরক্লে। নৈচোল লাকপা তোলোং খোম্বা চানা পোকপা চৌথা য়াওববু নৈ হায়বা তারবদা, অঙোমবা নৈচোল লাকপা তোলোং খোম্বা চনুদা হংরে কে যিবেম্মা নওগী মচা চৌথা য়াওববু নৈ হায়রে। নিংথৌ শেম্বীগে পীয়ো" হায়রবদা. অপানবীনা খুমরে— "নৈতে" হায়রবদা, অঙোম্মা হায়রে। "কিগনো হাৎলোয়রে ; নিংথৌ শেমবীগে পীয়ো" হায়রবদা। অপানবীনা হায়রে "হাৎলোই হায়রবদি য়াশকই ও" হায়রবদা। অঙোমবা পুরেরোমবগী লাইমল থক্তুনা য়াশক্লবদা অপানবীনা মচা চৌথা য়াওববু পীরে। অদুদা অঙোমনা চৌথা য়াওববু নিংথৌ শেমবীরে। অদুদা চৌথা য়াওবনা ময়াম্বা নৈ-তিংথু চলামবনা পোকপা মুংয়াম্ববু কৈথাক্লা পুথৎহুনা য়াম্মাগী মচানে হায়দুনা নিংথৌ শেমবীরে। পুথৎহুনা মেনদা কমহল্লে। চৌথা য়াওবনা কোন্দুনা কামিরে অদুদা মুওম্মবনা হায়রে— "য়িপাতোল নওনা তৌবা অসীদো য়িপা নৈতবয়া হায়ববু য়িপা নৈরে হায়না মুওয়ামবা মপা মচা কোননদনা কপখিরে। অদুদা নৈতৈথু মুওয়ামনা হায়রে— "হয়েং য়িচা য়িত লোনদা কাউদণুনো" হায়না ফুংগা অমা পীনরে। অদু-গী মথে কম্বাল নাই পীবা কৌবদি অসীনে। নিংথৌ ময়ামবনা চৌথা য়াওববু পলবীরে— "য়িপাতোল। নওগী মচা নওপা হয়েং থামবী মৈনা মুৎতয়িবা মথে, য়ীবিং খোংনা

*** নিংথৌরেলগী মথাভানা অমা হৌরিবা মথক্তী মতাও অমী মাইরিকসিগা শাগোক্নুনা য়াওরবা মরম অদুগা [illegible]

কায়রিবা মতৌ পাক্কমীয়নে। মীয়োল নওবী মীগী এপী কীবা মীয়ামবগী নিংথৌ রোহিদাস চহী লেনবগুমো, অকবা ক মওঙ্গো, থাজবা লেপবা চংলগনো" হায়না পীরমলে। "ঐগী য়াথং অমা রৈ লেংগো নোংনা কাকহনবা" মাঙোম চেনবা তাকহোই" হায়রমমে। মিতুকতন নওগী মীমনাকতী 'নাংকি' কৌও হায়রমমে ॥ অপোগী মতুংদা মৈতিংঙু খোংনামবগী মচা কোংয়ামবনু কৈরেলক লোংদলে হায়বন্দু তাবজনা পিবানে. মাওকহোই হায়দুনা পুথৎ-লকনা য়াংথে লাকয়ে। নিংথৌ মুওয়ামনা "পিবা মীয়ামবগোহৈ, মীয়ামবদি মিচা মিতু উদুবুম তুমজও" হায়রমমে। মনাউ অতোক-ববু লাংথাবগী মীদি নোংথোলবম, মিকুওবমনে। লমমোংবগী মীদি থুবায়লাকপমনে। থুবায়লাকপগী মীদি থুবায়লাকপা অচৌ মখিমনে। অসীদি সনা মীনে। থওও। মোংপম মমনা য়াইং-পমদি থৌগল নাই লৌথৎপিয়ে। নোংথোলবম খোংজি তাবা য়াইকোকনে। নিংথেম চীংথ-খোমবনা লৌথৎপিয়ে। থওও। নোংমৈকাপপমদি খোইবু থামলবগী মীনে। নিংথেম থাগেমবনা থৌগল কংয়ে হায়না লৌথৎপিয়ে। হেনগুবমদি অমাকচমনে। নোংমৈকাপমদা পকচবনে ॥ ০ ॥

পণ্ডিতশিং থুগ্গা

শকাব্দ : ১৬৬৭, খৃ: ১৭৪৫ শুবা মতমদা লৌরেমবা খোংনাং-থাবনা পণ্ডিত মচা মনাউশিংগী মকুমদা লাকহনবা মহুও চহি ২১৬ তগী হৌনা য়োইপনবা মথকতো হায়র্গে তাও-ও। লৈয়োল লোকলোল মাপনদগী অয়েং লাইবু লাকনবা মাইকৈ গুংদাই

মখোনা চাউবা লমজোগ ঐখোয়. মনম লৈবাক লৈবিং। হৈ থম্-
লিবক্ ভীমহেবান্ত লাইখোও খিদনা মৈথৈ লৈক্, বুকবগী লৈপাক্
লৈপাক পূর্বা কোমো পুথিং খাপাংনি থীরা লৈখম তাইনা
থুথিং মনা ঐজ্ঞা চেনবা লৈমুদ পৌরান্ত রোইরনি। অরাং চাও-
গেলি যীংহেনবা ইলেবমলমবা ওইবিং কোংলোম লাইবিং মথক
মজানবু লাকতুনা থুংনগহলতুনা "ক, খ, গ" গী হওম লোইরুনা
কংলা যাওবী লেয়রানি। অনৌবা তাকলে। অরীবনা থুল-
জেপলনি। মসুত অদুদা যাহৌ হামোয় লাংবাই পূওদা মশা
ভরেৎনা লুচিংকুনা মন্ত্র অমীমা পাউইংলবা গুথিংতো নওক্ত ঐথ
লৈপাক তানখোং মসুং শাংনা, লৈমখোও মকৈ পাকনা তাবকং-
নবা থৌগীল-থৌব যাওহমলগনবনি। ঙসি মতুংদদি অমুক
থোকওমলকপদা লাংওম-লাংবাইগু পন্তিজেলসি। থুদক অহুদা
পণ্ডিত মখোয় ভরুকত লাংগোল লুখোইবু হনলকপা উবদা অমুক
হমক্না লৌরেমবা, থেংগ্রা অনীবু পুকমনি। মহুদা থোং-
নাংথাবনা যীচাশা নখোয়গী অমুক ওননা হললকলি। লাকি
নখোয়বু হনকম নত্থম থওলবরা? মক মনাই ঐখোয়দি থওক-
দনি। তাও ঙসি হাক্তমলগে, নমখোল থোও হিমাইবা নওবা
থ.পপদি নমখোল হৈবী মখোওদা হনওমমু। মীহেং থেবা পণ্ডিত
নওদি লাংখাম তেম্রা কতৌবা মখোওদা হনওমমু। পণ্ডিত
শামুরৌ চিংগোং নওদি হিয়াংথাং উকোল হৈক্রেং মখোওদা হন-
ওমমু। পণ্ডিত মুখনাম তোম্বী নওদি তেমা কৈথেলগী তেমা
অতৌবা মখোওদা হনওমমু। কৌমং কাপিবা পণ্ডিত নওদি

মাকলংগী হৈবী মখোঙদা হনঙমমু। বাংমু পণ্ডিত লাই উকোল শুংগী উয়ুঙ অতোপপিদা লৈঙমমু। শংলেল মপু লুখোই নঙলি লাঙগোল হৈরিবু শঙনা লৈঙমলকও। অদা লৈখিং লৈঙাক-পদি লৈপাক অসীগী চুকলেল কংলৈদা মরী, মায়কৈ মরীদা মরী লৈবা থৌদু নুঙ অমা লৈথমবনে। লৈকম মাপল অসীদা লৈঙাক লৈথিংনা লৈপাক লৈকল্লবদি অমা লৈকনবনি। মতুংদা লুখোইনা হায়রে—নয়াথংবু থৌঙম থৌবুজগনি মাদুদা। খঙলে লুখোই নঙগী নবুক শুবাকতো। ঐখোয় অনীদি (লৌরেম্বা খেংগ্রা নোংলেল লৈহৌ পুঙদা হনঙমক্লনা খলখোং নোংচুপ কোৎপাবদা লাইমিং পরৈ থাগনি; থুপনকমবু য়োইগে। হয়-কুমনা শয়াং নাদ ভুরৈদা ঐগী হননা খোকনকমনি। নাদ ভুরৈ অহুম কাংবনা মরু মচা মপাগী হানমা খোকনকমনি। অমনা অনীনি, অনীনা অমনি। অনীনসু অহুমনি। উনবদি য়াহৌ য়ায়োই লাংদাই পুঙদা নখোয় পুমবা উনহনা থৌবুনবা হেক্তোঙমমু। মতমদি কৈচাশা চঙুপ্না লৈহৌনি

তোং তোং কাওক্রমবা,
চকক্লক নাক্লক ককবায়বা,
থা থোই কৌইদ,
তেমমু তেমমু মতোল সনা চিং-চৌ,
য়ামমো য়ামমো,
নক্লু খেনচোং মখেলচোং
শরী য়োংখম লুখম কায়

লুকোকপী লুকোকপী চাগ্ন-চপ্,
মক্র জলি কুজলি,
বাপু নংতে পুরুমদে,
লাই মরোল মচিল থী,
পাখ্রা লুখ্রা তুনানবা,
ৱা খৎ খৎতোকসি,
মতোন সনা চিং-চো ।।

য়াম্বা খোনকমনা মীকা মীপূনবা ওমবা মশকনা লৈপাক অসীদা লাকতুনা লৈওমলবনি। মহাক-থকতগী মশক অমত্তনা অনী খোকনা চৎলম লূভীন তূখায় তাগ্রনি। মশা মশাগী কাননবা, তোংজবা লমবী য়েংবদগী অরৈবা য়িন্নলবু লৈনুও চনমা লৈগ্রনি। অরাও কাবগী পাউরো পাউতাকনা মখোয়স্থু ঐখোয়স্থু তুংবুল লীকানগ্রনি নশকপূ ঐনা থওওমলোই। য়ীশকও মওনা থওলয়োই। মীপোৎ লূভীন চৎলমনা ঐগী চৎলম য়োই-তুনা য়ীপোৎ মীরায়বগী লৈথা-মুংদা লূপলনি। য়ীপোৎ য়িন্ননা মাওবদি অরাং চাওগোল য়ীয়েলগী মপা চীওদোল য়াংবদা লুকোক খোংদা হানবনা মায়কৈ মরী, ওংদাই মরী তূনবু মযুম তয়েৎপূ-থামবী মৈথারত্তমা সনানা মযুও কায়গা, মনিনা মঙ্কেল থায়িবা মৈতৈগী লীকলাই য়ুমবীবু কংওমদনা মাওগ্রনি। মীপোৎনা য়ীপোৎ য়ীয়ল শাহুনা মচিন চৎপা লোনজা অথবু মখোয়স্থ নিংথৌ পিবা য়োইমা পানগদৌরি। মরাক শামদে, য়খোক লোইওমদে। মতূও মৈতৈ পিবা তয়ানীপাল ওবদগী লাইগী

মহোল মচীন খিঙমবগী থঙজনলকপা মীওইনা ঊনপুমববু মতাম মশেক শামদুনা মরাক শামবা হৌরমগনি। লাইমিং লুখায় ভারতগী মীখোং মীচেল ল্যেগীনবু মউ মগুক খিনদুনা অমা গোৎখা চাওগোল হিদেঙদা মরাক শগমহনখিবা মৈতৈ মশক মচুবু অমুক খুনগংওইদুনা অনৌবনা অনৌবগু নোনমদুনা সনা কংলা মীবাল বায়দা অমীবনা নোনা ঊয়ুং ঊরেপ তমদুনা অরোইবগু নোনমনা পানজবা মতম শৈহোরবা হোইরমগনি। মীয়োল অসী মথোয়দি থরদি মউরকখিনি। লুতুং থোয়েংবু নবুক ল্যাক মপ্যুঙদা থুমিৎ থুদিঙ থেংগনি। থৌরম অসীতনা হোনবা-হোনবা চৎনগদবা মীয়োলনি। মচুদা খৈগোনা হায়, মরু লোয়রেমবা মীরনবু মী-য়মনা মনদুনা থামবী মৈচাকলনি হায়, মীয়োল ১৭ (তরাতরেৎ) মখোইগী মমা চৎপা মৈতৈ মিংথৌ পিবানি, মতুং মরাক শামলনি। মীশোং অসু চাদি থাংনা লৈখাবলনি ভাকঙমবা অসীদা লৈ-খাবা হনানা মথুং কাবগা মানিনা মখেল থারি। সনা লীকলাই য়ুমথীবু থামবী মৈথারনি হায়রমলি! মসিবু মরু কনানা পাউ ভাকপিদুনা লেপকনগদৌবা চৎলমনো? মচুদা লোয়রেমবনা হায়রু। মচা নত্তনা ঐহোনদা হংজমলদো, মতমা ঐবু থামখিবা খরদি কাবিনো? নত্তনা থামবী মৈকনগে, অরাং চাওগোল মীরেমগী মাওথিবা লীকলাই য়ুমথীবু মতমপাকতা লিনগে, অদু হায়দিংদগা? নত্তনা অমুক হংলবোই। লীকলাই য়ুমথী যুক-থিগে, লীকম চানা লীরগে অদুনোংগীদমকপু নত্তগু ঐবু থাই-থনি, ঐখোয় মতবু থাইবনি। মতমদি পুমসি পনথেং লোমদ্রনা

কইরোল অরীগীদমকতা অমুক পোকখৎলুগা থাজবা লৈতক লৈমা শীনিদনা। মতমদে মরু লোংকমবা (লৌরেথা) মচাশিংনা মথা থাউরো অজনে। লৌরেথবনা হায়রকই,—ঙরকলা। লৌরম অসীতনা য়োমনা য়োমলা পানগমথা ওকতনি। নিপাহু নিশীমু মরু পানবা পামদবা মতম ঐমু থঙলরোই, মতম অদু লৌরকলবনি। হাকলা কুইরকখ্রবনি, থাজবা তাইথবী মহৈ কয়াজনি, মউ মপানদি লোংলেন চাওদগী থোগনি। মপামদি চাওকোই হননা চাওথৈদা মরোঙ অতুম লোতনা লৈপাক তথ- লয়নি। মহৈদি কংটল পুক্মায়রোমদা য়ানগমবনি। অরুথরা মীথোল অসীমা হাইবদগো, মতুং অমুক থঙলনি। মতম ঐমীহু মীগীমু থুপমকথী মরমদো উমকমদি "বাহৌ-বায়োই লাংতাই পুঙ" হায়না মরম পুম্বা থজবা মরু লোংদথবনা তাকচরব লোইই- মলা লোংনাং থাবমু অংগোন লুখোইনা লৈক্কু মথোঙ লাইনিং পুজা হনথি। পণ্ডিতশিং পুমথমু মা মাগী মকমলাংনা হননবি।

———

পণ্ডিত লাংঙন

লাইনিংথৌ থাগেম্বা হাকথঙা তৌরবা রায়ম হায়গে। লাইনিংথৌ থাগেম্বনা অপোই মচা লথঙন, যুমনাম তোমচেন, ঙনাম সনাজে, খাইদেম ফেলবনে, কোনোক খেংগমালে, ...

মঙামাদা শিদবা য়েল পীয়ো। মপোক খঙবা পায়ো হায়ববু নিয়বদা, গুরু মঙামানা শিদবা নাদবা য়েল, মপোক খঙববু লাইনিংথৌ খাগেম্বদা তাক্লে। গুরু মঙামানা হায়রে "ঙ্গিখোয় মঙামানা তাকপা রা অসীবু খঙলবদি মপোক অহূমলক নিংথৌ য়োইনা পোকয়ে। পোকও। অকোনবগী মপোক্তা মৈতৈ লৈ-পাক্কী তীবখোঙ লাইখোঙ থিদনা মুংঙাইনবা থবকপু তৌ" অনুম হায়বনা, কংলাগী মেলদা রাশক্লে। অসীগী মতুঙদা লাইনিংথৌ খাগেম্বগী মপুক মগুঙদা নীংলে। রা অসিবু নিংথৌ মচা অমদা পীথ-রবদি কৎতরে। গুরু মঙামা অসিবু হাৎলগে নীংদনা অপোই মচাবু মুংগোয়বীদা চঙহনখিয়ে। সলাম সনাবু তেলকৈখাদা লূপহনখরে। য়ুম্নাম তোম্বদি শিংজমৈদা লূপহনখরে। খাইথেম তেলবদি রাংথৌ য়াইঙং য়িংথোলদা লূপহলখরে। কোনোক থেংগরাদি কুমবীদা লূপহল-খরে। গুরু মঙামানা থূপলাইতমদা হায়রময়ে। "হে নিংথৌ নঙদি রাশক কায়রে। খুৎশু খুৎলাইনা য়েংথিরগনি। তৌবশু য়িখোয়না হায়থরিবা য়াথংদি শোয়ররোই। নপোক অহূমলক্তি নিংথৌ য়োইনা পোকও" হায়রময়ে। অসিগী মতুঙদা লাইনিংথৌ খাগেম্বনা মবুক্তা নীংউরে। গুরু মঙামাশু লৈতরে, ঐন্দু মাঙলগে চায়না নীংলদনা মাগী হী য়াই, লাইপোৎ মচৈ পুমনমাপু য়োৎকীঐপুদা ঙমনা লৌশিনজবদদা পোক্তরিবা মথৈদি অতৈনা সি হাংবা ঙম-দরগুনো' হায়রময়ে। অদুগা খাগেম্বদি চঙনা নোক্লাখরে। অসিগী মতুঙদা খুঞ্জাঙবনা নিংথৌ ওইরে। অসিগী মতুঙদা পাইখোম্বনা নিংথৌ অমুক ওইরে। অদুগী মতুঙদা চরাইরোংবনা নিংথৌ

য়োইরে। নিংথৌ অহুম অসীদি সনা উপু কাওথিবা ওনরে। অসীগী মতুঙদা লাইনা পোকপা লাইনিংথৌ গরিবনিবাজ নিংথৌ য়োইরে। সনা হাকতঙ্গী সনা উপু হাংদোক্তনা হী-য়াই পুম্নমা হাংদোক্লে। গুরু মঙাস্থ মমিং অমা য়োইনা পোক্লরে। অপোই মচানা লৌরেম্বম খোংনাং থাবা কৌনা পোক্লরে। শলাম সনানা নিংওামবা অকোঙ কৌনা পোক্লরে। খাইথেম তেলবনা য়াথম্ভেবা কৌগাকচাও কৌনা পোক্লরে। য়ুমনাম তোম্বনা লা'গোই লুখোই য়োইনা পোক্লরে। লৈশাংখোং খোমাবু কৌবনে। কোনোক থেংগরানা মোইরাং লাল হাম্পা কৌনা পোক্লরে। অস্থম্না অমুক পোক্লবদা, লাইনিংথৌ গরিবনিবাজবু লাইনিংথৌ খাগেম্বগী মপোক্লে হায়না থঙনা ভাকলবগী মতুঙদা লাইনিংথৌ গরিবনিবাজনা লাইরিংথৌ সনা মহিগা বারম ভাঙনদনা শিলোৎ……………

……………………………………লম্বোইবা স্বামজি……………………………………

লমমানদি লমচৎ অরুববু চৎলে। অদুদগী হৌনা মৈতৈ সনা লৈপাক্তী পিরা অবাবা হৌরে হায়বা খঙও। হৌরকপা মতৌদি মৈতৈ লৈপাক্তী চাকচা য়ুথক পুম্নমা ককলে। মংথোং থিংলে। লাইনিংথৌ কৌরম্বদগী মহারাজ কৌরে। শান্তিদাসপু গুরু স্বামজি কৌবরে। লৈমা পীরে। মৈতৈ লৈপাক্তী পণ্ডিততি ভুমীচু, য়া ভাঙদনা লৈরে। অসিগী মতুঙদা শান্তিদাসকা গরিবনিবাজগা

* * * মথক্তী মরুক্তা অহাওবা থরা লৈরিবা মকম অসি অরীবা লাইরিক্তুগী শিনজবদা মুৎলমহুনা লৈরম্বনা লামবা কংদবদগী হাপচনদরে মঙাওসি।

[illegible] হি [illegible] / ওয়াকনা, [illegible] [illegible]
[illegible]। [illegible] লৌরেন্বা। থোংনাংথারা, [illegible]
[illegible] মরিমা, য়াওরে। য়োক্মক লৱাম য়োরম্বু হি
য়িশমচাইবদি চয়াং য়েনশম চাদনা থীশিংদা নূপাখিগে য়োরমবা
[illegible] থাও খুয়োম্বা হৌরদা য়ারে। হি য়িশমচাইবা
তাশিংলক্লে। থাওকমমম্বু মী য়াম্মা থোক্লে। হি মথক্তা থক-থক
নক্লে। শান্তিদাসনা থাম্বম্বু ওমদরে। লৌরেন্বা থোংনাংথারবু
থাম্মু হায়বম্বু য়াদরবদা; থোংবা হিমাইবা হনববু থাম্মু হায়রনা
মানা থামরে। অমরক শোলবদা নীকপা তোক্লে। অনিরক
শোলবদা, মী থোকপা তোক্লে। অহুমরক শোলবদা, থাওকম
তাইশিলে। থোওবা হিমাইবদা হিগী মনা লো তরা পীরমরে।
কুবালাগী শওকম য়োরবদা, শান্তিদাসনা কমমেন্দা কমরে।
থোংনাংথাবনা মাওশোক্তা কমরে। মহারাজনা ককতোমদা
কমরে। মথোম অহুম্মা রা ওাওনদে। তুমিন তুমিন্না লৈরিতৌদা
থোংনাংথাবনা মথক্তনা লৈপাক্কী লাকদবা থোরমবু কন্নি লৈবনো
হায়রগা মীৎলাং উইশিল্লগা অশুম য়াথনত্না লৈরিতৈ মতমদা
ওাপ্রেম চাওখেন্দা মৈতৈ লৈপাক্কী অরা পীনবা থাওজ তরেৎথক
খুৎশবা উরক্লে। মতুদা লৌরেন্বা থোংনাং থাবনা মথোম তরেৎপু
মতম থরা তাইখিশি হায়দুনা থাম্মী। মতুদা মথোম তরেৎবা
মরক মতুনা ঐখোয়বু থামগনু, মতম অসী মৈতৈ লৈপাক অসীদা
[illegible]। [illegible] মতৌ হোংত্রিবা য়ারমোই। ঐখোম তরেৎ-
য়াগী, [illegible] লৈরক্লে মৈতৈ লৈপাক অদি মতুনা। অদুগি
মথোম তরেৎপু ঐনা খেম-চৌদুনা হাক্লকদুনা থামমা

[illegible] মাতঙ্গীনিং মসী করিনৈনো [illegible] মতু [illegible]
মতৌ হেনথিজনবনি। মরম্না নৈবিরিবী অমদি [illegible]
থিবগী লৈরবনি। নুপুসিং নোংমৈ লোমথিজুবা [illegible]
চৎলগদবা তাইবঙ মপোককী লালহোঙবা মশীং চঙবা
লৈরবনি। মতু মরম্না নীংশিংলবকনি। নত্তীক মথং [illegible]
নোংম-নোংমগী শামলগদবনি। ঐখোয়দু খিংবীবনবা মরম তম-
জবনি। মরম্না ঐখোয়বু থিংবীগদবু, নত্তীক মচালদু শাক-
থবনি। মতমগী চৎলম লাই! মদু ঐ থঙি, থক্কবা মখোল
মতম থরদি তাইখিদি, লোনজা অমীমা, টুক্কমখো। মদু
মায়রোই মরু লাংবোল তরেৎ ঐনা হায়জগা অসী হায়জা
তৌগদ, য়াও; নংহৌরবদি নমথেকতুনা চৎলা তাই। মখোয়দু
মনীউ পচুঙৌ তৌবসু ঐ য়াবা তমলোই। মখোয়বু মুকন
লাংবোল তত্রেংনি হায়বগী হমনা হমনা নকমদা হায়জবনি।
অদুবু মরাদময়দি নঙখোয়না তমবগী নমথেকতুনা তত্তনৈ হাক-
থবদি চত্তখো; ঐশু তমবা মথৈ নঙখোয়বু শিংবনি। লোয়েনবা
লৈরিবৈগী মতমদা অদুক শুংশি হৈজবা, থক্কী-থাদি লৈতবা
মচৎপু চৎলবা নঙখোয়বু করমনা য়েক্কুনা লৈগদগে। মরম
অসীনগী হেনথদে হায়জুনা মাইনিংখোমী লাইখোলদা খুৎ
অনী তিংখোকতুনা মখোয় তরেৎকী মমাঙদা থক্কুনা থেক লৈ।

মতম কক্তুনা মখোয় তরেৎনা থাকনা থাকনা নোকতুনা
খোংনাং থাবা অসী মতম অসীগী মহাককী মতীক মতাম থাজনবদি
হায়দুনা নীংশিংবা লৈতনা কনগনি, তাকবনিং; মীয়ংশি হৈবদি

হায়কুনা হেকতা তৌবা ওয়খি। খুংশিনবা খুংগি মায়কু পুরুন্দাং থাবগা অদুবু মতাং অসীদা চৎনবদি ঐখোয় তরেৎকী চৎলম লৈতরে। হৌজিক কাংলৈ শতলেন শৎবা মতমগী পণ্ডিত অমা কাওবা লৈবা ওয়দবা মতম অসীদা চৎশিনখোৎরবদি অমুক খুংশাংখ্রগনি। লৌরেমবা মরুবদি ঐখোয়না ওয়দবা মতমনি। নম্মৎথেকতুনা চৎনবা তৌদবা মায়ে হায়রুনা মখোয় তরেৎনা খো নাং থাববু য়িনথদুনা কাংলৈ কমনা চৎথরে। খুমক অহুমা খোংনাং থাবা লোংনা হেক তুমুনা লাইখোল লেপতুনা খুংথ-মাওথা মখোয় তরেৎপু হেকতা তাইরে। খোংনাং থাবনা মখোয় তরেৎকী মাও থানবা চেনখিহুনা মমখোল লৈবী শখোওগী শোরোকতা থুং অমী ফিংখোকতুনা অমুক থংলি। মতম কদুদা মখোয় তরেৎ থৈতৈ লৈনাকতা লৌরেমবা, খেংগ্রা লৈরি হায়বা অমী মখেমগী য়াথনবা থক মীংশিংকরমালে। মতখোয় মকম অসীদগী ওমতুনা নমথেকলগা চৎলবদি চৎখো; ঐসু ঐনা ওমবা মখেদি লৈপাকপু শিংখোবু কননবা য়াবগী মখে কননবা খোয়াংবদি লৌরেমবা ঐগী মীখোনি; মতখোয় তরেৎ চৎকদে। মরু তপথবীখো; মরু লৈ হায়বা ঐখোয় থৎতৈ। অদুবু মতমন য়াদবনা লাকলবনি তৌবীপসু, ঐখোয়বু মকম অসীদা থিংতুনা থমবা অমী মতম অসীবু কদায় তৌথবা; মরু অমীগী মতমদা মাদুসু থনবীয় ? বা অমী তাবদা মরু খোংনাং থাবশু ব থল ওহাকতং তোই। মতুদা মখোয় তরেৎ অহু খোংনাং থাবনা য়াগ্রিতৈদা য়োহৌনবা তৌগি

হাত্নুবা খোংনাং থাবা লোংবা য়িকপ্লুনা চৎখ্রে। অসুম্বা অমুকন্ত হন্না তাম্নরক্নুবা মরমিং খোংনাং হৈবী মখোজুম্না মখোয় অরেংপু ঙাইহ্নুনা লৈখ্রে। মতম অরেংবা পুংলহ্নুনা মরু তৌবীগনু লম অসী থাদোকপীয়্। মরুনা অসুম তৌ-বীরবদি মতমগী পাউজেল খোঙচৎ অসীবু কমদোবা তাবগে? মরু থ্রপপীনবা খোয়েংবীবনা তোংজবা লাককনি, অনৌরক মংরে হায়। নঙখোয় অসী লম য়ামনা হেনগদৌরিবালে। মকম অসী থঙনবা হায়দুনা লোকলাউপুঙ লেলদগী লৈপাকতা লৈই অরেং চননা চিংজুনা থিংঙি। মদুদা মতম মখোয় অরেংনা হায়জে — মরুবু ঐখোয় অরেংনা পুরক্কবনি, লৈই অসী চাংদোকপিয়্। হাংবীদরবদি ঐখোয় অরেং অসী খোঙলদবা চৎলবনা মরু কংনা য়াঙহোবা তাথরে। কংলাদি ঙসি ঙংঙাইকদনা য়ৌদবা য়াদে। ঙসি ঐখোয়গী শৈরৌনি। মরু অনীনা লৈরীবা মথৈদি ঐখোয়না লৈপাকী চৎলম হাকনা ক্ননা যাঙনবা তৌবা ঙমলরোই। কংলা শীবগী শৈরৌদি ঙসীদগী য়োইজগে। মতুদা খোংনাং থাবনু ঙহাক নীংশিংলক-নুনা বাখললি। মতম অদুদা মখোয় অরেংনা মরু কংলাদা থামবী শৈরৌরে হেক হায়। "হোঃ কম্বি য়ানো। ঐনা কৈদু-কিডৈদা" হায়রুনা কংলারোমদা মথাগ হেক য়েংখোরকপদা, মৈকী অমা কংলা উয়ুঙ নুংকানদগী পাইখোক্লকনুনা কমবাল খঙ-জেলদা তাবা হেক উই।

খোংনাংথাবনু মতুদা পুকনীঙ অবাবা য়োইজুনা ঙহাক বাখললি।

কন্সিদা মতমগী চৎলন ময়ম পুমবা হাননা শাংদুনা থমথমবা চহাকতনিদনা হায়না য়াথললিউৈদা, মখোয় তরেৎনা খোংনাং থাবনা য়াথল থললিউৈদা লৈই মুৎহৌরসি হায়না খোংনাং থাবগী লৈই তরেৎপু মুৎথৎলহনা ঝিনথুহনা থনমলগা য়াংবা তাননা চেনখি। অদুগা, কৈথেল তমনা থাংজ তরেৎমক কৈথেল পোৎলকডা চঙলে অদুদা কৈথেল কায়রে। থূদক অদুদা খোংনাং থাবা অশাওবগা লোয়ননা "মখোয় তরেৎ অসীদি লৌনম য়াবু য়া-হৌহনা চৎখরেদনা হায়দুনা তুংথ-আওথা তাননরকপদা, খোংনাংথাবনা য়াহৌ—বারোয় লাংদায় পুঙ হেক য়োবদা, মতম তরেৎতি ক'লা মনুঙ তাননা চেং-শিনখরে। খোংনাং থাবনা সনা কৈথেল অচৌবগী ময়াদা য়াংলৌ লমবী মরী ফাংবদা মমায় তাংজ লুক্রা য়াথন্দুনা থৌহু নুঙগী য়ুমবীনা মালেম লৈদা য়ু'বগুম লেপতুনা মখোয়না তৌগদবা থৌওং পুমবা য়েংদুনা লৈরমমি। উম। মসিদি পাউতাক পাউজেলকমনিদনা। এনা থনবসি কানমদেদনা, মতমনা শুমথরেদনা হায়দুনা মীৎলাং অমীমা পাংথোকদুনা লৈ। অদুদা মহারাজনা গুরু থংববু কয়িনো চংলবদা খোংনাং থাবনা খুমলকয়, এনা করিগুমবা অমা উদ্গনা হেক হেক থংলিবনি হায়বদা।

শানতিদাসনা হায়বে,—অরাঙদা পোকপা অঙাং নঙনা করিগুমবা থঙগুমবা লৈদুনা থংবমোসুঙ হায়রবদ—খোংনাং থাবনা খুমরে, এবু অরাঙদগী অঙাংনে হায়বদি নঙদি কুয়া কুইরবনো হায়না হংবদু শানতিদাসনা হায়রে—এদি

*লংকা লাল নাইজেদা কিরাল পুখা তর্বলে হায়রে। মতমদি কনা কুইখা হায়রবগা, খোংদাংথাকনা খুমরে;—অরবদিবা মচনা এচিলচু থাজা থীরিখা; লমালদা লোকপা মতমদা পোকপা উমজ্রদুরম ভুমিদু ভত্রেইদি চিংজতুনা লৈত্রবা মতম অতুদা এখা লাকনুনা নমাদী অত্রাবা কোকহন্নুনা নচৎ লোকপিরগা খোমমী মাউকব লেনবীরগা শেংগা মিরবীদুনা নমাদি খোম থকললবা অদুদি কনাগে? মাতুদি খউবরা? শানতিদাসনা মদু এদি খউত্রিনা? খোংনাংথাবনা হায়রে,—মাদু খউগদবনি; নচৎ লোকপা লপাদু মথক খউদরিবা? এনা মচৎ ঙাওবগী নচদা লচিল খোকপা পংতাও ভাওবা চৌনদবনি, মাদু অপা এনি খচম; অদুদু নখোয়না মখোয়হৌগদবনি হায়রবদা, শানতিদাসনা খোংনাংথাববু মুননা য়েংদুনা হায়রকয়ে,—এদি শুক্ত নচৎ অদুদা তৈ হায়রবদি খউদরে। মরম করিগীতমক অদিদা লৈরিবনো হায়রনা খুকমলবদা, খোংনাংথাবনা হায়রে,—লৈপাক অসীদি এমা ভাকলিবা লৈপাকনে। মরম অদুনা অসীদা লৈবদে; অমারকসু খৎলকদে? ভুমীননা লৈরবদা, অদুগী মতুংদা অমারক অংগাইগী অচু নীং- শিংলুবদা হৈমা লাউনা খোনচেন খোকনা লৈপাকশু তুখিরে। চে থাইনা লাইপকওস্ পোকখুনা মী খোকলকপা তকপী মী লৈপাক ভাহেদে হায়দুনা মদাদি পুখনা মাচুনা মীশিংদা হৈদোকনুরে। অদুগী মতুংদা মহারাজনা হংলকয়ে,—

---

* লংকা লাল নাইজেদা—লংকা লাল তোইজেদা।

তাকনা খংবা অসীবু মীপুকতা য়াবনা কিরে। য়াম্ব কাওনা শেংনা চারবোকপিয়ো হায়না হংলবদা খোংনাংথাবনা খুমলে; হে-মিংথৌ! ঐনা খংবা য়াঁয়মদি হায়গে নপুক তপনা তাও-ও! নোংচুপ লমদগী থাংজ তরেৎনা তাননরকপবু ঐনা তাঞ্জাব চৌওচেংদা তাকপবু ওমত্রহুনা মরকতা অমুকস্থ তাকপা অহুদা খংলিবনে। অহুদগী মথোয় তরেং অদুনা কৈথেল পোংলকতা চেলশিল্লক্লে। অহুদা কৈথেল কায়রে। অমারক হননা খংবা অহুদা কোম্নুং চঙখিহুনা কংজ্বা মৈ হোরে; অহুদা অমারক খংলে, অস্থমনা হায়রবদা, মহারাজন্থ পুকনীঙদা করমবা বানো থললুরদনা উতোং চাক চাগে তৌরিবৈদা সনা কৈথেলস্থ কায়রে; কংলাস্থ মৈ চাকলে হায়দনা কোম্নুংদগী পাউ থুংলরে। পাউ অহু তারবদা মহারাজগা, শানভিদাসকা অনীমানা খোংনাং থাববু য়োনখোকপা গুরু য়োইরে হায়না য়ামনা থাগৎপিখিরে। অহুদগী শানভিদাসকা পরিবনিরাজ মহারাজগা, খোঙপা হিমাইবগা অহুমমাদি য়ৌশিং-লমদা হি তোংহুনা লাকলে।

গুরু খোংনাং থাবদি খোঙনা কংকাল লমদা লাকলে। গুরুগা, মহারাজগা মথোয় অহুমমানা হিয়াংথাং য়োরবদা, কোম্নুংদগী শগোল তোংহুনা পাউজেল শয়ীকা লাকতনা বোকনরে। পাউ লাকপা অহুনা মহারাজদা হনৎলে—কংলাগী গুরুং মম্নুং-দগী বৈ হোরকপস্থ ননাইশিং পুমনামাস্থ কনবা ওমদরে। হৌজিক য়োনা চাকতনা নৈহোরিরে, হায়না হংগৎলবদা, মহারাজগা, শানভিদাসকা, খোঙপা হিমাইবগা অহুমমাদি

হিয়াঙথাংদা হি থাংলমমগা, কংকাল লমদা চেনখৎলকতনা৷ কংলাদা থুংলবগা, মখোয় অহুমমানা গুরুংগী মৈ চাকলিবা অদুবু মুৎপা ওমদরবদা, নিংথৌনা হায়রকয়ে, মৈ অসীবু কনবা ওমদয়ে। গুরু খোংনাং থাববু থুনা কৌরু হায়দনা খোঙলোয় শিন্দনা চেলহলখয়ে। গুরু খোংনাং থাববু মী-পোকতা রোকনয়ে। থাগোলনা পুখৎলকতনা কোমুংদা থুংলবগা কংলাগী মৈ চাকলিববদো মথুৎ পামবোমনা খিংজিনক্লনা কলিগী মৈ মওনা করিগী চাকলিবনো হায়না মুৎহললে। অদুগী মতুংদা গুরু খোংনাং থাবনা হায়রয়ে, হে ইনিংথৌ ও! মিৎনা উবা মৈদি ঐনা মুৎলে। অমমবদা চাকপা মৈ কলিগী মৈ অসীনা পোইরৈ মৈতে লৈপাকতা অরা ওবথে লৈতনা চাককদবা অসীবু করম থাওগদবনো? রা অসী ভাববদা নিংথৌনা হায়রয়ে, হে— গুরু! করম খোকলগবনো হায়বীয়ো, ঐদা চাককে হায়রবদা গুরু খোংনাং থাবনা হায়রয়ে,—“লৈপাক অসী মথক মখা রোয়গনি। ভীনকম, লাইকম থুগাইরগনি। নোংচুপ নোংপোক, থা-অরাং পুম্নামাকগী মচৎ কৎতবা খৈবীকনা পুরকপা লোলবু তমজবা নমু মীয়াম শিগদনে। মওনা পোকপা নাচনা মওবু হাৎলগদনে। অদুগী হৌনা লৈপাক মসুও তরেৎ খোকনা৷ কায়রগদনে। কোমুং মসুও অসীবু লম কৎতে হায়দুনা হলতোক্-লগনি। তৌহৈদবা খৈবীক তৌরগনি। মমা মপা, মচিন মনাও মালনগদনে। অসীনা লোমগদবদি থিওচামবা অমুনা চৈথাবদগী হৌনা

[illegible] (মনিপুর [illegible]) . [illegible] থাকী [illegible] নিংথৌ অহুম মাঙ্গিজবনি; মতুমা নিংথৌ অনুমবা লিখবনি। অমীগী মতুমদা থোইরকপা নিংথৌশি চয়াইখোংবী থাবল নিংথৌ থোইরবনি। মীগী লমচৎ করম্বা থৈবীকতো ভোকপবা মীপা মীপুগী লমচৎ চাকচা হলক্লিবদনা থংকে তয়েনবা থোইনিবপনি হায়বা থওও।" অসুম হায়বা তাবদা, নিংথৌনা হায়রে,— ঐনা লোংখোংই মম ঙাককে, পকলেলদা উধুম থোইনবাকে হায়রে। অমতেপা কোপাকনা ঐদি লংমাই চীঙদা লী থাদোং থোইনা হৌদুনা ঙাকহে হায়রে; নিংথোলবা অকোঙমা ঐদি অরাং ঙাকে চীঙঙারেলদা উশোম থোইনা লৈগে হায়রে। মোইরাং লুলহাঙমবনা ঐদি থা মায়কৈদা ঙাকে হৈপোকতা উ থোইনা লৈগে হায়রে। লাংগোল লুখোইনা ঐদি কৌবরু মায়কৈ ঙাককে, লাংগোল চীঙদা লী কাইরেল থোইনা হৌদুনা লৈগে হায়রে শানভিদাসনা ঐদি নোংচুপ ঙাককে হায়রে, মাকলংদা হৈবী থোইনা হৌকে হায়রে। খোঙবা হি মাইবা ঐদি চীশোঙ্গা উ থোইনা হৌদুনা লৈগে। খুদম খোকলিবা খৈবীক ঙাককে হায়রে। কোমুংগী হী মাইদি তীনকথ লাইকম পুমনামাদি গুরু খোংনাংথাবা নও ঙাক-ও হায়রবদা গুরু খোংনাংথাবনা হায়রে ঐদি কংলোগী নমথাঙদা চীঙ-হাও থোইনা হৌদনা কোমুং অসী ঐ ঙাককে, হয়েং চকনা গুরুবাগী ঐখোয় ওরনা পোকতবা লৈপাক অসী সেমগৎতবা ফুংঙাইনা পাক-কানে। মীপা মীপুগী লমচৎ অক্লীবা হলজিলদনা, মীগী লমচৎ মমকরিবা থৈবীকতো হলতোকদে। অদুগা তীনকম লাইকম,

[illegible] পুনরায় লেবকংচুবা উবুংনাইঁ [illegible] [illegible] পাক [illegible]। [illegible]-[illegible], [illegible]-[illegible] [illegible]-[illegible] [illegible] তো তোকলগনিয়ে। অসী লোয়লে, হায়বা [illegible] [illegible] [illegible] যোননিবা উপিং অসীনা- [illegible] তুরে হায়বা [illegible]। অহুম। পাপশনবা নিংথৌদি চয়াইলোংবগী মী. চহি ৪০ (নীপ্পু) তালশকপা অমনা যোইগনি। মায়কৈ নীপানমা [illegible] চনগনি। থাংজ তম্বেংমা নোংচুপ লমদা হনজিনখিগনি। নোংচুপ থোঙ খিংগনি। নোংপোক থোঙ হাংগনি। হী-মাই পুমনামা হনচিন্দ লককনি। মাইরিক অমিবু থাজ্জবশিংদো অকোবা কংদয়তবো, চেংবা তৌও, [illegible]।

লোইরবা

কোংদোকলবা লাইরিককশিং :—

১।	থৃবাক মরি মেৎনবা	মমল:	রুপা ৮·০০
২।	পোনবী-লাং (অনৌবা থৃৎলাং)	"	" ২·৬০
৩।	চাওবা শাংপা ইংতেবৈ	"	" ৫·৫০
৪।	থুমুং কোকায় মপী	"	পৈশা ·৬০

হৌজিক প্রেসতা লমলিবশিং :—

১। মৈতিংগু সেন্দ্রং নিংথৌ অপানবা।
(সনজেম্বী-চৈশ্রা)

২। নোংথাই পুরেল মথুংকা।
(পুকওয়োল)